প্রেম প্রকাশ



অইবা—
মুতুম সত্যবাবু সিংহ

লাইরিক অসি মণিপুর মহকাতকা হল্লক্লবা শীন্নুনবি।

থোকপা :
মুতুম কিরনজিৎ সিংহ,
মজলপুর, কাছাড়


কোপী মশিং : ৮…

অহানবা থোকপা :
এপ্রিল ১৯৯৩ ইং

কংকল থোকপা :
— অইবগীনি

নম্বা : বাসন্তি প্রিণ্টার্স অমসুং
সাথী প্রিন্টিং প্রেস,
সোনাই, কাছাড়

মমল : লুপা ২০.০০



ৱাহন্থোক

প্রেম প্রকাশ কৌবা লাইরিক্ মচাসি থংঙে-হৈবে চাংহনা লেংঙবা নত্তে। মতম কুইনা থম্মোহনা চুমহনা থমজবা অরাববু কুমহনা থমবা ওস্মকত্রহনা রিবু কয়র্মনো কৈরমনো থনজথমবংগী জগৎ মপুগী অকনবা চুমৈইনশিন অমনা কয়া ইমশিনপিরকপদগী ইহৈ হৈঙদনা হুৎখংজনা লেংঙবা লাইরিক্নি।

মহাভারত, রামায়ণ, ভাগবত-গীতা, শ্যামা-সঙ্গীত, নিমাই সন্ন্যাসনচিংবা অতোপ অতোপ্পা লাইরিককী ঐনা হুৎশিজবা থবা থম্নুনা লেংথোকচবনি। খাই তরানা অরান-অশোয় ডাকপীগনি।

অশোইবদা, লাইরিক অসি পুথোকপদা তেংবাং-পীবিরকখিবা মীওই খুদিংমকপু তৌবিমল থংবা উৎচরি।

মুতুম সত্যবাবু সিংহ।

তাং— ১০।৪।৯৩ ইং চুরাচান্দপুর, মণিপুর

নিংশিংজবা

শ্রী ইয়াবা মৃত্যুম সত্যবাবু সিংহনা ভক্তি শাস্ত্র থরদগী খোমজিন্দুনা ইবা প্রেম প্রকাশ কৌবা লাইরিক মচা অসি নহা, অহল, মুনী অতাং পুরমক্না থংজিনবদ কাল্পবা অমম্নুং ধর্ম খুদিং-মকতম্নু চম্নব। য়াবা লোইননা ভক্তিবু তুংইনবগুব মৈনয়ক্নবা মতমসিগী ভক্তিগী মথোং শোয়বা অমম্নুং ইরোনগী লাইরিক অমনি হায়না থাজি।

ইয়াবসিনা অসিগুম্বা লাইরিক কয়া মতুং-দন্না পুথোকপীহনা ভক্তিগী মৈরা চুথংশগা ওইহনবিসনু হায়না ঈশ্বরদা নীজরি।

লাইশ্রম বীরচন্দ্র মীতৈ

তাং— চুরাচান্দপুর, খুমুজম লৈকাই,

১০-৪-৯৩ ইং মণিপুর।

হাইজব

ঐহাক্ল লাইরিক খরদগী খোমজিনজরগ ইজব "প্রেম প্রকাশ" কৌব ভক্তি শাস্ত্রগ মরী লৈনব লাইরিক মচা অসি মতম কুইন ফোংব ঙমজত্রবদ মনিপুর ইডুকেশন ডিপার্টমেণ্টন পাবিরগ চাওরব শেলগী মতেং অম পিবিবদগী ফোংজবনি, মরম অসিন ডিপার্টমেণ্ট অসিগী লমন তে নশিনজরে হাইন লৌজরি লোইনন তৌবিমল খংব উৎচরি ।

ঐহাকী নিংঙমজদব অমন য়াম্ন থুন ফোংব ঙমজখিদব অশিনি, ১স্নং হকচাং ঙমদবগ লোইনন য়াম্ন চিল্লব মতম অমদ ফোংজখিবদগী বনানগী শরুক অমত য়েংব ঙমজখিদ্রে, মরম অতুন বানান লানব কয়া য়াওদ্রে, মসিগীদমক পাবিরিবশিংন ঙাকপিয়ু হায়ন নোঙ্গরি ।

শ্রীমুতুম সত্যবাবু সিংহ
অরাং লাইবুং জোবেং লৈকাই
চুড়াচান্দপুর ।

য়াওফম তাক্‌পা

অহানবা তাংকক :

অনিশুবা তাংকক :

চণ্ডিপাঠ—

** জগৎ সংসার **

◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆

জগৎ সংসার কাম্বসি কনাবুনো, কনানা শেম্বনো, মপু কয়া তই, কদাইদা লৈ, মখিং করি করি লৌই, মচুং মতৌ করম হৌই ?

◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆◆

মৈ, ঈশিং, অহাংবা, মালেম লৈবাক, নুংশিৎ, অমম্বা, অঙানবা নুমিৎ, থা, থবানমিচাক, চিং-মান, ফু খোং, ফিল, কাং, শা, ঙা, উচেক, মী, লাই, মফম্‌, বকা, তুক, লেংজনা চিংবা উরি তারিবা খুদিংবু শন্না জগৎ সংসার কৌই।

কাম্বরিবা সংসারসিবু শেম্মীবা, যোকপীবা, থাকপীবা, শন্না তাইবং শিন্না পুরিবা অবা-নুঙাই য়েন্নিবা মপু অমদি লৈ কংবসি মীওইবনা খংজনরি। অহনবা, মপুবু নিংবা, খুরুমজবনা মীওইবগী থৌদাংনি। অবা অনা তাবরা মতমদা মপু মাকোক্না হায়জবা, নিজবা নত্তনা মীওইবগী পাবৈ লৈরকতে। মরম অচনা, মপুগী মীংলেন, লৈকম, মচুং মতৌ, কয়া তই ঐখোইনা খংকম য়োকই।

জগৎ মপু মহাকনী মতুং মখো নাইদবা, মরুম খুদ্মনক্তা লৈবা অমম্লুং মীগী মপুক থংবা অন্তর্যামিম্নী। মখোকী মথিং লৈতে, মানা মানা পামজবা মিংথৈ পুক্নিং শম্নীবা থৌজবদা মপুনা খুম্বনি, ভাবনি, থৌজানবিবনি। মপু মখোকী মতুংস্থু লৈতে মী মীহুনা পামজবা মতুংদা নিংজবদো মখোক্না চানবীবনি। বেদ-শাস্ত্রদা হায়রি, কনাগুম্বনা বেদবেদান্ত ওইনা উপাশনা তৌজবদা বেদান্ত ওইনা উহল্লী। নদীয়াগী নাগরিকশিংদনা কামদেব ওইনা উহল্লী রাধাকৃষ্ণ ওইনা নিংজবদনা রাধ কৃষ্ণ ওইনা উহল্লী। নদীয়াগী নাগরিকশিংদনা কামদেব ওইনা উহল্লী হায়রি। মানা মখোক্না পাম-জবা মতুং ইমা খোদাতাল্লা, কনানা যীশু, কনানা বুদ্ধ, রাম, কৃষ্ণ, গৌরাঙ্গ হায়না শোম্নবী মানা মানা থাজনবা মতুংইমা কনাগুম্বদা মূর্ত্তী লাংথলি, কনানা লাংতে। তোইগুম্বমুং মূর্ত্তী লাংথনা লৈতবা পুক্নিং চুম্না নিংজবদি মপুনা থৌজানবী।

* * * *

হিন্দু শাস্ত্রগী মতুংইম্না মপুসে ইশান হায়বদা নারায়ণনি। মহাক্না অকানবদা সংসারসি শেম্নগা তাইবং নরলীলা শারগে-থনবদা কনানা হান্না শেমসিংগী থবকপদা রাথস তাত্রঙনা ককচাংদা হুম ং নহাকনে ঐনা সংসার শেমসিংগে বানা থনবদা থোকখিবনিদো। অহনা নহাকসে শক্তিনি, থৌনা লীংজেন করবী, নুভীক মথুন চাও-রবী, মায়াগী শক্তিনা জগৎপু ওক্মাংপা ওম্নবী, তাইবং শিংহো পূজা ওম্নবী, অরা মুঙাই য়েল্লিবী, অমম অঙান থায়রিবী, পাঙন হেন-থোইরবী, জগৎপু ওক্মাংপী নমিংনা শক্তিদেবী হায়না কৌরবী অমা চোংথোকলো- হায়না খুদিংগী হমাং কাপথোকপদা, মহামায়াবী

শক্তিপুরী, মশকমহৌ কজুরবী শক্তিদেবী লোংথোরকখি। মহাকবি অজিত্তবা-আস্বাকোয়ী কায়হনা ননলায়ারে পীস্থ বৌই:

মায়ায়ে নগী মুথংদা অহানবদা ব্রহ্মানচিংবা লায়াম অমসুং দত্যাশ বু শেমখি। অনিশুবদা, অতৌপ্পা লায়, হি চাপা যক্ষ্য রক্ষ্য শীঙবনা চিংবা খিংবকী পাপ পুণ্য, ধর্ম অধর্ম খংনবা পাউচেৎ পাত্তাকী লশী ওইনা ঋক, স্বাম, যজু, অথর্বনচিংবা বেদ মরি পু থ কপাংনা ব্রহ্মানা শিন্নখ। অহুমা- ল ই, হিংচাবাশিংনা সংক্র নৈহুনা খুংলাই মাপল-লক্ষী, পারিজাত, অমৃতনচিংবা থে কখি। অকক্ষশুংদা, দশ - অবতার শ য়ো-খি।

* * *

দশ-অবতারগী মমিং অমসুং মরম ঃ

মমিং- মীনরমৎস্য, বরাহ, কুর্ম, নরসিংহ, বামোন, ভৃগুরাম, রামচন্দ্র, বলরামকৃষ্ণ, বুদ্ধ, গৌরাঙ্গ,

১) নরমৎস্য দৈত্যাশিংনা বেদ মরিবু হুনা খিরাদ সাগরদা লোংগবদা নারায়ননা ভাগী মূর্তি তাংখায়, মীগী মূর্তি তাংখায় লৌহুনা বেদ মরিবু উদ্ধার তৌখি। দৈত্যাশিংবু অরা - কণ্ডি-পীখিদো খুরুমজরি ননাইনা।

২) বরাহ অবতার— নাক্সাবেন্না মালেমক্তবু শেমগা তাইবং ময়াইদা শাম্নখে খুনুনা বরাহ মূর্তীদা শায়ে লগা সমত্র ইরোমুং-দগী লৈবাক পুথংতুনা ঈপানথক্তদা মালেমবু শেমখিদো অমসুং হিরনক্ষ্য দৈত্যবু বধ তৌখিদো— খুরুমজরি ননাইনা।

৩) কুর্ম অবতার— সমত্রগী ঈশিং ঈপোমনা মালেম নোমহুনা

কায়হুনা চেকথ'ইহনা মাংবা তারকপদা নারাজা কূর্ম রূপতা শায়োনহুনা মালেমবু কাজনখিখি— খুরুমজরি ননাইনা।

৪) নরসিংহ অবতার— নারায়োন্না প্রহ্লাদপী অবাথবু কোকপীরগে হায়হুনা নরসিংহ শায়োনদুনা হিরণ্যকৌশিপু বধ তৌখিরো— খুরুমজরি ননাইন।

৫) বামোন অবতার— লাম্দা থৌরবা, দান ধর্মদা অংথাইবু ওইরবা প্রহলাদগী মচা-িপন বলি কৌবা মিংথৌ দা নারায়োন্না লৌনম তৌহুনা পাতালদা থমসিরো— খুরুমজরি ননাইনা।

৬) ভৃগুরাম অবতার— সত্য যুগতা সূর্য্য বংশগী ক্ষত্রিকী কৌবা মিংথৌদা ব্রাহ্মণশিংনা লৌনম তৌবদগী ব্রাহ্মন কয়া নম তৌখি। নারায়োন ব্রাহ্মণবু উদ্ধার তৌখিরগে হায়হুনা ভৃগুরাম শায়োনহুনা ক্ষেত্রিবু কুনবাথোইরক হয়া অবাথা পীখ— খুরুমজরি ননাইনা।

৭) রামচন্দ্র অবতার— ত্রেতা যুগতা তমখিরবা রাবন্না চিংবা দৈত্য-শিংবু তোলবা প্রজাশিংবু ওং নৈহুনা অবাবা কয়া পীরকপদা নারায়না রামচন্দ্র হায়না শায়োনদুনা তমখিরবা দৈত্যশিংবু মাংহনখিখি - খুরুমজরি ননাইনা।

৮) বলরাম অমসুং কৃষ্ণ অবতার— দ্বাপর যুগতা শ্রীরামনা মনাও লক্ষ্মণগী লমন তবু শিন্থবগে হায়হুনা রামনা কৃষ্ণ হায়না শায়োন-নগা মনাও লক্ষন মরাম্বুং বলরাম ওইন শায়োন হন্দুম রুকদা রাস, রাখাল, সুবোল মিলোন, কালীদমনচিংবা লীলা কয়ামকম শায়রমগা দ্বারিকাদমুক লৈহনা তারতলীলা শারখিবা— খুরুমজরি ননাইনা।

[illegible] কৌবা [illegible] কৌবা [illegible] [illegible] বর্শী [illegible] [illegible] ।

[illegible] ।

* * *

দশ অবতারনি অংশা কত্তা অচুম অবানলা বয়া কায়না বায়েনবৌখিবগী মরমদা —

[illegible] ।

[illegible] ।

বী: এর অবতারদা, পোখাক্কে চিবা লোকপালশিংবী থৌকং লেপ্পুনা মরাল লৈতবা বনী লিংথোবু থৌনম্‌ থৌদ্ধনা পাঙ্খলকা থংখিবা।

নরসিংহ অবতারদা, হিরণ্যকা কৈশ্যপী মচাও হিরণ্য-কৈশিপুনা হায়খি, "প্রহ্লাদ নংনা ঐগী থেংনবা ভগবানদা খাঙ্ক্লবদি নংবু ঐগী থেংনবদি ইচা নত্তে"— হায়রকপা ঙ পাইরে খিদেদে, মপুনা নেৎথঙ্ক্ম ডায়েদে, অরাংবা চিংদগী লংদৈ, ঈশিংদা থাদৈ, মৈদুংদা হুনদৈ শিখদে। প্রহ্লাদনা মথং তানা— "নংগী লক্পা হিরণ্য-কনবিরিবা মকাকাস কনাওনা তৈথগে, মিংনা করি কৌবগে, মত্তং [illegible] প্রহ্লাদনা [illegible] খুমথি— মঙ্গ-কতি ভগবান [illegible], [illegible] থংবদা [illegible], ওইকচিংবা ওইরনবা ওঙবনি। ঐগী মবুক থংবা ওঙবনি, পুনচা [illegible] ওইরনবা ওঙবনি। মচা ঐগী মিত্তুদি ইকুৎতা মকোককসি নীল-বর্ণ [illegible] কুচু, থবী চুড়ানা কোকী লৈতেংলবা, [illegible] থোকিবা লাইরকনা কস্তুরী চন্দন কৈতেংলবা, [illegible] লৈরম্বী মালা, থোংদা নুপুর, খুৎতা বাঁশী পাইদুনা ঐবু কাপ্পা নংগী অরাম্বদিংইক কৌকপীগনি হায়রিবগী। হিরণ্যকৈশিপুনা মহিন খোংগং প্রহ্লাদ [illegible] থুংশিং কাওবা চংত্রবা [illegible] খুমীলিদা কৈ মতম নংগী [illegible] পাঙ্খকপদা প্রহ্লাদনা শৌতিদনা [illegible] খুমখি। [illegible] হিরণ্যকৈশিপুনা খুমফী কৌখায়বদা— 'নরসিংহ' থাদোক্লে [illegible] কৈশিপুগা মরু যুদ্ধ তৌদুনা খুমগী ইচুম তাবিদা মথকোলগী থোংদা থোংদুনা হিরণ্যকৈশিপু বধ তৌখি। মসিদসু বীররস চেক্লিদো।

[illegible]

নৃসিংহ অবতারদা— [illegible] বংশগী মিংথৌ [illegible] অমসুং [illegible] মীওইনা থাবগী শক্তিনা হংচাবিগা অমুং পৌক হৌরবি। বাল্মীকি মিংথৌনা হাওবিদুনা ব্রহ্মাগী শংগী [illegible] চংলা হৌদোকখি। অদুগা অতাংদি চবি থৌরিবৈদা [illegible] চাংনবা শিবি-হুদা নিংথৌনা থৌরবি [illegible] [illegible] লক্কনা দিগী লৌখি।

ব্রাহ্মণশিংগী অমাবনো [illegible] [illegible] [illegible] তৌদুনা ক্ষেত্রিয়শিংবু [illegible] [illegible] হৌখি। মতুং [illegible] [illegible] [illegible] চাওনা [illegible]।

রামচন্দ্র অবতারদা— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

বলরাম অমসুং কৃষ্ণ অবতারদা— [illegible] শক্তি [illegible] [illegible] পৌরদুনা [illegible] [illegible] পুথোকদুনা [illegible] থামখিবা, [illegible] [illegible] শক্তিনা [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] কুরুক্ষেত্র লানদা তৌখিবা, চাবক্তিশিংনা [illegible] [illegible] [illegible] শক্তিনা [illegible] [illegible] [illegible] সক্তিগী শিংমা [illegible], [illegible] মায়াগী শক্তি, [illegible] রসতা থানখিবা [illegible]।

বুদ্ধ অবতারদা গৌরাঙ্গ অবতার অনিসিদি মাধুর্য্য রস [illegible]।

[illegible] [illegible] বুদ্ধদেবনা হায়খি— "অহিংসা পরম ধর্ম্ম" [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] জীবগী নিংশা [illegible] অথোইবা ধর্ম্ম নি হায়খি।

[illegible]

বুদ্ধসেবকী বাবী—

[illegible]

চাং ১০ [illegible]

[illegible]

[illegible] — "[illegible]"

মংগীনি, [illegible]নি চায়ক্লা কপ্লবি, লাওনক্লি, থেংনরি। অদুগুম্ ভগৎমপু থইরিবা ঈশ্বরনা তাইবং মনুংগী শরমহনা কুমৈ থেংনরি। "যুদ্ধ'গ মাওইবা ঐ:থায়দি পোকপদম্ ইথোক্না লাকপনিদো। করম্বেং শিরা তমদম্ ইদোংমতা পঙ্। এঙ্গ মপুগী নাক্ত: কনখিবদৌননি। অদুম'দ ওইরগা মপুগী নাক্তা চং পদি লধী অনি নুংবাকএ। সংকর্ম তৌরগা পুংযগী কথীদা কুকর্ম তৌরগা অরাবা হায়বদি নরকি লমথীদা চংকনিদো—অসিগুনি যুবরাজ।"

দোলাই পাবগী বা তাবদা দোলাই কল্লো হায়দুনা কোম্থ্ংদা কনখিলকখি।

থরনিমুক কৈরগা অমুক দোলাইদা কোয়খোরকপদা মংৌশা উথিগা অহল অত্ন শিহুনা শ্মশানদা পুং মাংগন ঙৈরুনা পুথবা অমসুং মচা মনাও মরাম্না কপ্পা লাওবা থেংনরে। দোলাই পাবনা কহালগী অহল অদু মপুক্তি লোইদুনা শিবে অমসুং মচা-মত মরাম্না অমুক হম্না উমররোই হায়দুনা কপ্লবনি হায়দুনা গৌতমদা পাউজমখি। অদুম্না গৌতম পুক্নিং ঙ্গুতাইতনা কোম্থুংদা হল্লকখি।

থৌদোক থোকখিবসিগী থরনিগী তুংদা গৌতম্মা থোন্না চংখিদুনা তুমমা মখিং উইদিদুনা ঈশ্বরগী আরাধনা তৌবা হৌখি। অদুম্না নৈরিদৈদা নেংমা তেম্না পাল্লবা ঙাঙু অমা গৌতমগী ওথাক্তা তারবে। অশোকপা ঙাক্ক্ গৌতম্না সেবা তৌদুনা নৈরিদৈদা মাগী মপম্না পোকচবা মরাম্বা অমানা ঙাঙু অদু মহাকী তেম্না কাপ্পনি, পীরো হায়দুনা হায়রকপদা গৌতমনা

মানা কনবনি অহনা পীরা ওয়োই হায়খি। অমুম্না তাহুগীদমক মচিন মনাও থৎনবে অমসুং কোক্‌সাংদা লাকতুনা চৈথাপশ্তা থাবেল তৌবিউ থাকৎখি। থাবেলদা চীব হাৎপনা জীবহুবু কংগয়া নত্রগা কনবীবা মীশকতুনা কংগয়া ওৎনবদা চীব কনবনা কংক্‌ম থোকই হায়হুনা গৌতমনা ওয়ু মৎখি। মতুংদা তম্‌মুগী অমাম্বা কবৃবা মতমদা ওয়া অহু গৌতমা থাদোকপীখি।

অমুম তৌপা বা ওাংদনা ঈশ্বরবু নিংকবদগী গৌতমা বুদ্ধ উপাধি ফংখি। মথক্তা পৃথিবীগী মপানা ধর্ম অসি পৃথিবীগী মফম খিবিকস্তা বৌদ্ধ ধর্ম ধর্ম হায়না পাকপন তৌনরি। ধর্ম অসিগী মরু ওয়বা উপদেশতি "অহিংসা পরম ধর্ম" চীব থুদিংবু হিংসা তৌতনা কংশিবিবনা অথাইবা ধর্মনি হায়রম্মি।

নিমাই সন্ন্যাস—

কলিগী হাওন কুং নিপান শকপদা বৈবশৈ ৎ মুনিনা পানবা হায়ক্তা খ্বঃ ১৪৮৫ ইংদা লমতা থাগী পূর্ণিমা য়ুমৎ উত্তর ফাল্গুনী নক্ষত্রনা পানবা মমিৎতা লাইজা গঙ্গানদী খুর খোয় ওইরিবা শ্রীধাম নবদ্বীপতা ভগবান কৃষ্ণনা অমুক হন্না মীওই মপোকতা লাক্লগা, রাধাগী লমনতবু শিংওয়নে, অদনগী লমনবু কোকচবগে অহুগা কলিগী জীববু উদ্ধার ওইরিকবগে হায়হুনা শোচিগী মন্দিরদা নিমাই হায়না ওানথোয়খি।

অওাং ওইরিতৈদা শিবে হায়হুনা নিম মখোংদা হন্দোকলুবা মতুংদা অমুক হিংখি হায়হুনা নিমাই কৌখনি। কঞ্চনবা অঙৌবগী মচুনি হায়হুনা গৌরাঙ্গ কৌবনি। পূর্ণিমাগী

থাক্তম ঙৌনা ফজৈ হায়হনা গৌরচন্দ্রস্থ কৌবনি। ভগবান কৃষ্ণগী মরমদা য়াম্না থ-বনি হায়হনা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যস্থ কৌবনি ধর্মশাস্ত্রদ নহৰিপথাসী খিরি কর্তা অথোম্বা মীওইনি, লুচিংবা মদুগ হ য়ুদনা মহাপ্রভুস্থ কৌবন।

চকি মহাম্মুক ভুবদা নোংমা নিমাইনা মমা শচী দা— "ইমা ঐগী অাঙ্গন শেংচিনন্বিরে— ইমাগ্নবনা সরক লমতাওদা শাংক্লসি হায়রে।" শচীনা মচাগী আঙবগ শেংচিনবিরে অদুগা হায়বকই— "নিমাই নংনা নম ময়বগা লমতাওদা শায়বদা, হুংগাইনথবদা চোংলোম ভৌবা মীনা হায়বরু য়ায়া ফজে, পুক্লিং ফঙ্গাংপগী মশক্কি হায়রদো। ইমাদি উদ্রি, ইমাগী মাংদা অমুক্তা পাংম্মু নিমাই," শচীগী বা তাবদা নিমাইনা দ্বাপর যুগতা মমা যশোদানা জগৈ য়া শাউ হায়নদো 'নংশিংলুদনা মপী চদম শিন্থ-দনা নোম্থনা খোংবীনা লৈবাকতা লোয়রি। শোচীদি উবে, "বরি ভৌরে ইনানা ভগোই শাও হায়বগা।" নিয়াইনা শচীগী কিজি পায়দনা নোনি মাথোন পীয়ু— পুক্লিং পেয়বা ভগোয় শাগে নত্রবদি শায়োয় হায়রে। শচীনা "হায়মা ঐদি গোয়ালীনিস্থ নত্তনা নোনি মাখোন কৈদগী লৌকনি।" অস্থুমা থিবিকনদি নিমাইবু কৃষ্ণগী শায়োন ওইগম্বা চিংদগ্রবনি।

নিমাইগী চহি তরুক ভুবদা মপাবুং জগন্নাথ মিশ্রনা অংবায় পণ্ডিত্রা লাইরিক তমহনখি। চহি তরানিথোই চংলকপদা মপাবুং নোঙ্গাখি। তরানিথোই মপুংফাহনবা লাইরিক তম্বা লোইশিনখি। চহি তরাতরুকতা বল্লভাচার্য্যগী মচানুপী লক্ষ্মী-দেবীগা লুহোংখি। ইকুই কুইদনা লক্ষ্মীদেবী লিলনা চিকচুনা

শিথি। মঙ্গুংদা থিঙ্কু [illegible] [illegible] [illegible]। চহি কুনমাথোই চংলকপদা কৈন্সুপ কৌবা পণ্ডিত অমমা নবদ্বিপকী চণ্ডী মাণ্ডপতা ধর্মগী মরমদা তাং থি, মেং থি। নিমাইনা মায় পাকথি। থৌরোক অহুদগী নবদ্বিপকী মীওই খিল্লা নিমাইদা লাইরিক তমা হৌথি।

নোংমা অ ক্লা লাইরিক তাকপীরকবগী মান হৌরুনবা গঙ্গা মপান্দা লাকপদা হৌবমলিবা হৈপান হৈপাম, হৈ হৈনদি মরিকচুম্না শগৎপা - পাংবা ভিরুবনা দ্বাপুরদা কৃষ্ণ অবতারদা গোবর্দ্ধনদা স্তুবললাচংবা সখা ময়ামগা শন পেম। পেম্না শামবদো নিংশংলক্লে।

প্রেম্না নিকায় ওইহনা কম্রা কপচরি। মমা যশোদা, অপোকপা নন্দ, ব্রজবাসী ব্রজগোপী লোইনা নিংশিংলক্লে। মথৈদা রাধাগী লমন শিংবগী মাংদা নিংশিংলক্লুনা নিমাইনা "ঐদি হুত্তাইনা শামহনা হৈথোক্লি। ঐদি রাধাগী লমন শিংবগ লাকপনি, রাধানা নিকুঞ্জদা মান তৌখিবা অহুগা কৃষ্ণন অক্রূরগী রথতা কংশগী ধনু যজ্ঞ চৎপদা বেথেন নগরদা রাধানা সখীশিংগা লোয়নহনা রথ থাবদা কৃষ্ণনা অক্রূর ওসি রথ থামগনু, রথ থাম্লবদি ঐ মথুপুরদা মৌবা ওম্মোয়দৌরি।" অক্রূরনা রথ থামত্রবদা সখীশিংনা থুং শহনা রথপু থৎচৈ। অক্রূরনা তথায়রসনু মতাঙম রথ থামদম্না থৌরকপদা—

বৃষভানুনা পোক্লবী যাদন্তবু ওংলবী কৃষ্ণগী প্রেম্না

ভাওভ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাইহনা য[illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তা.র - লোইনা চিং, চেক্কা [illegible] চেঙ্কা চিং, [illegible] [illegible] পুরতাং ভাং হিক্কা কিক্কা [illegible] [illegible] তবু য়েং[illegible] মপাঙতবু মেজ[illegible]— ভাইবিখো [illegible] [illegible] [illegible] মপু [illegible] [illegible] ভাইবিখোনে। [illegible] [illegible] মহাক্কা চৎপ্র গা [illegible] [illegible] হকচাং পোপাং ঐনা— [illegible] লৈহৌ [illegible] ভাকপীরম্মুনো তোম্নবীদা। কৃষ্ণদো রাধাগী মহৌ উদদা অক্রূরগী রথপু থামহনা [illegible] [illegible]— প্রান প্রিয়ে সে রাধে। প্রিয়ে নংনা কৃষ্ণ ঐগী— [illegible] রাধারাণ [illegible] কা [illegible]। প্রিয়ে নংগী [illegible] ভসি [illegible] যুগভদি [illegible] ভ[illegible]। কয়েং কলি যুগতা [illegible]— [illegible] [illegible] কা। [illegible] [illegible] মায়াগী সংসারতবু [illegible] প্রিয় নংগী [illegible] [illegible] ঈবু খোকখিবগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], কি [illegible] কৌপিন [illegible], [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] কৃষ্ণ ঐগী নীলবর্ণগী কুচু, [illegible] [illegible], সনাকিরেং [illegible] ভাক্কা বৈজন্তী মালা [illegible]। নুপুর [illegible] বাঁশী [illegible] [illegible] লৈতেংবদো [illegible] কৃষ্ণগা মপ [illegible] প্রিয়ে নংগী [illegible] [illegible] কুচু তবু [illegible] রাধে রাধে হায়রনা কীব কৌবহুনা [illegible] চৎহুনা পুনসি লেগেকো [illegible]। ঐদি [illegible] [illegible] পামহনা লৈখোক্তি, ঐ কবরো [illegible] নিযাইনা [illegible] [illegible]— " ঐনা ইবাদা সত্তাল [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ঐ কবব তৌনি হায়না মথল মথা ভাইরাক [illegible] [illegible]

কৌক্ৰ।" খুডৌ অনি ঐ হাৎলৈ, হকতা কি খাক্লৈ, খুং অমি লোনলৈ, মিৎহৈদি পিথাংনা থৎলুনা লিগ্লতবগা লিকা, ৱাকা কপ্পহুনা— "ইমা ঐবু পিতাগী লময় ডোনবা কুগমক্নে, ঐ ৱাংগে। মথানা বিদায় পিবিয়ুনো, গয়াদা পিতাগী পিণ্ডদানচিংবা কৎ-চৰুহুনা কময় কোকচক্ৰংগ হায়ৰক্নে।" শোৎ-ইনা— "ইংগা চৎথ্ৰগা ঐমা কৰম্বা লৈবৌগনি।" হায়না য়াৰকন্নে। ইমখুইনা পিতাগী লময় ডোনহুনা অহুম লৈৰেগ্বা হায়বদা শোচি বিদায় পীৰে।

নিমাই শিষ্যশিংগা গয়াদা লাকলে, গঙ্গদা স্নান তৌৰে। মপাবুংগী পিণ্ডদানগী মতমদা পাৰোন পীৰোন গোত্ৰনচিংবা শোল্লকপদা কুইনা কাওৰবা মপাবুং শিংশিংহনো "ৱয়া কপক্লে। অহুগা বিষ্ণু মন্দিৰদা চৎতুনা বিষ্ণু খুৰুমজগে তৌবদা দোৱাপুৰ যুগতা কৃষ্ণ অবতাৰ মতমদা গোৰ্বধনদা সথাশিংগা শান্নবা, মমা যশোদানা শন শেনবা চৎলমদাইদা তগোই লাও নোংনি মাখোন পাগে হায়ৰবা, মপাবুং শিংশিংবন্দা নিমাই কুপ্পদগী ৱাহুখে। গয়াবাসী খিবিক্না কৰমনো কৰমনো কদায়দগীনো নিপামচা অমা লাক্লগা বিষ্ণু খুৰুমবদা ৱাহুখে, হায়হুনা নিয়ৰক্নে। ঈশ্বৰপুৰী কৌবা :গাকায়না নিমাইবু তম্পাক্তা পমহুনা লাইকমৰি, মহাক্না ঈশিং থাৰি, হমাই হয়ি। তাইহাক লৈৰগা নিমাই মমিং পাংখোক্কলকলে। ঈশ্বৰপুৰী উবদা নিমাইনা— গোসাই কৃষ্ণমন্ত্ৰ পিবিউ, নমাই ঐ সন্ন্যাস ধৰ্ম চৎচৰগে। ঈশ্বৰপুৰীনা— সন্ন্যাস ধৰ্ম চৎচৰগে কৃষ্ণ মন্ত্ৰ পিয়ু হায়বিদা ইবুঙো নহাকপু কনানো ? নিমাইনা— গোসাই ঐদি ব্ৰাহ্মণ মচানি, ইমিংনা নিমাই কৌই,

নবদ্বীপ থাম্বা লৈরুবনি। ইশাদি অগম থ ফিঙ্গ কৌই, পর-লোক ওইবে। ইমানা শোণিত দেবী শচী, লৈরি ফিংক ইশংপুগীনা— চুম্বিদনা, মমাংথৈদা এপা।

সত্তা লাকপদা নহাকসে অতাং ... পাম্বু

মহাকপু উবমশুদা স্বয়ং ভগবানগী শায়োন ওইগনি খনবা মহাকপু কৃষ্ণ মন্ত্র ফংত্রেদি কননা ফংগনি, মহাক্কী নশোং, নংবা কংজবনি হায়দুনা পুক্কিংদা গোসাইনা থাদুনা নিমাইদা কৃষ্ণ মন্ত্র পীজখ।

নিমাই নবদ্বিপতা অমুক কম্লকলে। মমা খুকমকরে।

মমা শচিনা— নপাবুংগী কর্ম লোইশ্নবরা হংবদা নিমাইনা লোইরয়ে ইমা হাইনা খুমজখি। মতুংদা, নিমাইনা ছাত্র মমা শিংদা লাইরিক তাকপীংপ কীর্ত্তন চঙি খাওপতা লায়ে। শিষ্যশিংনা ওন্ন বু খুরুমজৈ। নিমাইনা আশীর্বাদ তৌই। লাইরিক তাকপীগে হায়দুনা লাইরিক হাংদোকপুদদি মরেক অমুক্তা উখিত্রে। মরমদি, গয়াদা নপাবুগী পুংশি লোয় নিংশিং-লকলে। অদুগা বিষ্ণু খুরুমদা কৃষ্ণ অবতার ওইরিবৈদা মরল সখা শিং, মমা যশোদা, পিতা নন্দা নিংশিংদুনা প্রেমগী ঈবানা কুপখিদুনা লাইরিক মরেক উখিরবনি। নিমাইনা বিষ্ণু বিষ্ণু শোন্দুনা তমিন্না হাইরাক লৈরগা— তাও তাও শিষ্যশিং, মীওইবা ঐখোয়না তাইবংদা লাকপদি পুণ্য তান্নুচো লাকপনি। ঈশ্বরগী নাম শোনদুনা, মহাক্কী নামতবু নিংজদুনা সত্তা, ত্রেতা দ্বাপর যুগতগী যাগ-যজ্ঞ হোম-তোপ তৌদুনা ঈশ্বরবু নিংজরবা। হৌজিক কলিদদি সংকীর্তন নত্তনা ঈশ্বর নিংবদা অপনবা ওইরে।

মরমগি (প্রেমা).

নোংমা নারদ মুনিনা ...... কৃষ্ণ ..., ইবুঙ্গোগী নামনা ..... লৈরক মখোয়া ... তুলসি মালানা ওক্তা শিকা ... খাউজান ..., বীনা যন্ত্র পাইদুনা খোংদুনা খোংদুনা ইবুঙোগী নামদু ... চংচরদা লৈকাইগী অহল অমনা মচা মপুদা অমুম্মা হায়— ... মকুকী নারদ হায়-শে, ... মউ থিক ... অকনবগী থিজম নত্রা ? অহবু ... তনমদু । নিদুনা চা:র, মখুম ইংখোল নাচত্রে মতু মচা থি-। ফংত্রে । ... ও নোংম, রাত্রিবু নারদকী মহৌসি পামত্রা ... ইথাংবা মুখুং নিম্মুনা কাম্বাথি । ননাইনা ... বিবনিবু ... কত্রবা অরাম্বা ... কৃষ্ণদা ...থি । কৃষ্ণনা— নারদ নহাক: চংলিংদো অচুম্বন কাম্বদ ... থি । হে নারদ, কৃষ্ণ ... ইনাইগী ভক্তি প্রেমনা খুদুম চনবনি । ইনাইগী প্রেমগী লিচিংবা কৃষ্ণ ... । ... নারদ নংদা ... উদবনি । নারদ ... নাচুংদা ... লিংথিগী হরাওবা ... শোনয়ন্নিবা নামদো তান্নুনা চংলিবনি । কন্নিগী নবুঙ্গি ...শিন্নি ।

অদুম্মা নাম শোনবগী ... হায়রবা ... নিমাইনা শিন্ন শিংদা সংকীর্তন ... ভৌসি হায়রি । শিন্ন শিংদা নিমাইনা ঐনা লোয়না তাকশি, শেংশে নখোম মখোয় ... খাল পাইক পক্কে শারুনা কোইশিনু । অদ্বৈত নংমা পুত্র ... গৌবিন্দ নংনা ... ইবু শ্রীবাস নংমা ... শঙ্ক, মুকুন্দ মংনা খোমাংবা

[illegible] ভাই [illegible] চৌবাশি ([illegible]) [illegible] বা, [illegible] বা, [illegible] [illegible], উত্ পিত [illegible] খা খা, খুনবিগী খ বা ।

উদাহরণ— হরি হরয়ে নমঃ কৃষ্ণ যাদবায় নমঃ

কলিযুগ বিষয় ভাগবত পুরাণ, দ্বাপর যুগ মদন মোহনং বংশী ধারী, দ্বাপর যুগ মদন মোহনং বৃন্দাবনো রাসবিহারী ।

সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর যুগতা সংকীর্তন চাবুবগী মথক থংনবমগে কলিদা নিমাইনা নবদ্বীপতা মুকুন্দ সকলগী চণ্ডী মণ্ডপতা কীর্তন চাম্না হৌখবা সংকীর্তন ।

অমুম হৌনা নিহিংগী লাইরিক ভগবৎ কৌইবগা লোইননা সংকীর্তন নিংখনা শিগ্যশিদা ত্বী । শিগ্যশিংহু হৈবকদে অহুৎ নিমাইগী সংকীর্তন খল্লে— "ঐনা নিত্যধিবাস মতম কুইনা হংগাদৌবি অমসুং নিমাই ঐসে কলানো চাম্নদো কনা অমত্তুনা থংনত্ত্রে ।" পুংমকসি থংনরগে, মতুমা নিত্যাইনা চাম্বকই— নিতাই ঐখোয়না নবদ্বীপতা সংকীর্তন হৌখিবা মৌখই খিবিকসে দ্বাপর যুগতা ঐনা কৃষ্ণ অবতার ওইরিঙৈদা গর্বধনা শন শেনবদা মথা থিবিজগা শান্নরিকনিদো । গর্বধনদি শান্নগা মখৎকগা হসি সংকীর্তনদা মাওংবা অমা চিথকোবে । মহু অভিরামনি । মোংমা অভিরামা কেম্বু লোৎপী, কৃষ্ণ ঐনা খিবা, খিবা কংত্রা, মনা পারগন চখা, কংলগনা কুঐনা ভখা চায়নখনি । মতুদা ঐনা খিবা কংলবা গর্বধনদী ওবা মহুনা চেৎন্না লোৎখিবনি । অভিরামদো ঐনা হাঁইজচা ডা, কলিদা পুখোকে মতুনা মাংলনা তমহুনা হসি কাওবা লৈখিবনি । মহু নিত্যই নংনা কৌহুনা সিদা

পুরক ও। মৌজিক কলি যুগ ওইবে কৃষ্ণদি নবদ্বীপতা লৈরে— নংবু কৌরু লাকপনি হায়ক। অংানবকা মাগু মমক কাবোই, মহাক শাওগনি। বর্ষী খিবিকতু লিহনা মেনহন্না মিন্না-শ্মুংকই সিদ মৌবক্লগ ঐ ভাংনগে।"

অভিরাম কৌরু হায়না নিতাই চংলে। নিতাইনা গন্ধর্বগী গুহা মপান্দা লেপ্লুনা অভিরাম হায়না কৌকদা। অভিরামনা শাওনা নিতাইবু ফুগদগী— বৌংহে খেংহো, বাণী- শে মারেঙ্গে, চণ্ডাসে মারেঙ্গে হায়না চেন থরক্লে। নিতাইনা খেরো খেরো ধংজ মত বরো মাবা বাত খোবা ভনিয়েনা— হুম হায়না অভিরামবু খেংগা কৃষ্ণনা হায়রকপা বা খুবা তুম্মে। অভিরাম মপুক্নিং শুংসিনা নিতাইগা নবদ্বীপকী সংকীর্তনদা লাক্লে। নিতাইনা সংকীর্তন মথাইদা তাক্লিবসে কৃষ্ণনি, মহাক্না নংবু কৌরু থারকপনি। নখোয় ভনি ভাংনজরো হায়রগা নিতাই চুহারগী কষদা চংলে।

অভিরাম নিমাইবু চিংনা চিংনা য়েংলগা থনক্লে— কৃষ্ণদি নীলবর্ণ, ধরা চূড়া না লৈরেংবনি, সনাপিক্সেংগ শেংপনি, খোংদা নুপুর থুংতা বাশী পাংবনি। লেপ্লাসিদি অতোৌবগী কুচুমী লৈত্তাং শংবা কি শেংলি, মক কোকই, কুন্দ পবেং খিরীং কবয়া কৃষ্ণ ওইগনি থনক্লে। অমুকন্ থল্লি— "ঐনা গন্ধর্বনদা গুহা মনুংদা লোংপবু কৃষ্ণ নংতনা কনানা থংগনি— হুম হায়না অভিরাম মতুং মতুং থনহুনা নিমাইবু চিংনা চিংনা য়েংলকপগা মবৈদদি ছিক্লা ছিক্ল কপলহনা মপাওদবু মেমজরকে— "কঁবি মতৌনো প্রাণ বন্ধুাই, নহাক্না তৌরম্নিবগী কলি মতো কৌবগে

অমাংবা থংবাসু চেক্লবা মহাকী কুচুহনা করম্না অচৌববু ওইহ ব্লিকা ? করবা থগা তুড়াদো কনানা পুল্লথগে। মহাকী ফজরবা সম্না কিদেং তুনা কনানা পুথিহনা লৈতাং শংদবু .থ ল্লম . . . খোংথাং পুক্লিদনু থৌংগী মপুংনা থুগ্ক্রগ্ক্ কায়বা হুপুরগী খোকচেন তাবদা পুক্লিদা হুংশি মুঙংজরবা হুপুরদো কনানা পুথ্রগে প্রোন কহ্লাই। অহুগা জগৎপু উম্মাংপা পাম্বজনা পাম্বজগ্রা নংগী বাঁশীদো কনানা পুথ্রগে শাইয়ুরে প্রান কহ্লাই। কুচুম লোংলে; থবা চূড়া সনা কিগেৎ, মুপুর বাশী-নাচিংনা পুম্নমক্তি লোংলগা, লোংলদা মাত্রদা মুখংদা ওমত্রবা ফ্ল টগী প্রেমনা থুহুমবু চনথ্রবা ভৃঙ্গমনিগী পাদচিহ্নদো লৈরে লৈরে থানকত লৈরে। কোংতুমা কায়রোই মশক থংলে প্রান কহ্লাই। ঐগী থবা চূড়াগে থোনবীয়ু চৎলশি হুংশিজরবা বৃন্দাবন্দা।

শৈরেং— নিমাইদো অভিরামগী মপাও তাবদা ব্রজভাবপু নিংশিংহনা প্রেমা বিকার ওইখ্রে। অভিরামবু উবগা মরাম্বুং বলরাম ওইনা উকহনা— "দাদা বলরাম, হুংশিজরবা বৃন্দাবন করম থৌরাংখি ? ঐগী দংক্ত বাবদা বাহনা লৈকোরবী ইমা যশুদাবু হিংলিরগা। ঐবুতা খুনহনা লৈরিবা পিতানা করম তৌরিবা, তাই সুবল মধুমঙ্গলশিংবা সখাশিংনা ঐবু নিংশিং-লিত্রা ? ব্রজবাসী ব্রজগোপীশিংনা ঐবু কাওত্রিবরা অহুমা মধুপীগী মক্তমদা গব্বধনগীদি ওমনাদা থবলী, শবালী, সুবতীচ চিংবা শবী শনাওশিংনা হোয়া হোয়া খোংহনা কৃষ্ণ ঐবু থিবদো থিরিত্রা থোংলিবা ? অহুপা হৌজিকপু ঐনা বৃন্দাবনদা চৎলগা

বৃন্দাবনগী লৌশিংশিংগী কম্তুনা থাদা মহাপ্রভু শ্রী অদ্বৈত তৌগা নিমাইগী অভিলাষসু পংথকখে। অদ্বিতী মতৌ উবদা শিষ্যশিংনা নিমাইসে স্বয়ং ভগবান কৃষ্ণনী হায়বগা করিগুম্বা হরিসংকীর্তনগী নিমাই ভগবানগী শাস্ত্রদা খঙহনবা ওইনা উবা হৌখ্রে। স কুম্বক অভিলাষগী মথক্তা অমসুং মরিক চুম্বা হরিবোলগী ইবন কনখৎলক্লে। বৈদিক পণ্ডিত থকানা শোচিংগী মচা নিংথইসিবু ইশ্বরনি হায়দুনা মতাকপু থৈ লৈই, কংলবে ভগী নিরাকার ব্রহ্ম মহাংবু সাকার ওইনা পুংথাকদুনা মতাকপু ঈরাংতগি। য়াম্না লৌনজবু মরমদা তৌবি। মথাকসি নবদ্বীপ ভগী কৃষ্ণনা তাঁনশি চন্দ্রগদি মহাকী মীওয়া ওইবুনি, ঐখোয়গী শীচং লৈবগোক হায়রক্লে।

<u>ভৃগু মুনিনা ভগবানগী মপু অশেংবা খিরকপা—</u>

অহংগা বাবম অমন, কৃষ্ণগী বক্ষস্থলদা ভৃগু মুনিগী পাদচিহ্ন লৈরগা বরম্না নিমাইগী বক্ষস্থলসু ভৃগুমুনিগী পাদচিহ্ন লৈকরিবা মতু থংলগে। মাপুগী যুগতা তাইবং মপুসে কনা শোরায়েদি. কনানা ব্রহ্মা, কননা যম, থগানা অমুক হায়বিকাগী কৃষ্ণনি হায়রি। ভৃগু মুনিনা থম্নি, জগৎ মপুদি অমত্তনি, সত্য ত্রেত কদি জগৎ অমত্তনি হায়রনা মপু লিংখৎনি। মাপুবেদি মপু অমুক মাখলিবা করিগীনো? অচুবা কনানো খিরকবা-হংজরবদা মহাক মহাক্তা পামজনা লিংজবদো অচুবনি হায়রে। ভৃগুমুনি লিংকত্ত কল্লে। অচুবা কনা ওইনি করম্না থংগতপে হায়বগী বাখল্লা কন্নুনত্তা লৈখে। অবৈধদা বাখল. অমা লাকে। মপু অশেংবদি অকুপ্পানিমি। অহু ওইরবদি মাম্না শাওগদবা

রাকম অমা কেকত্তা হায়কররগে। করিগুম্বদা শাওরন্দি ঐগী পুক্লিং থংজে। মহাক্কি ঈশ্বর নংতে, মংক নিংঙ্বা কামদে। শাওদুরুদ ঐগী পুক্লিং থংগে অহনা মংকপু নিংজগে। অদুম থন্দুনা শোরারেন্দা লাক্লে— শোরারেম্না য়াম্না চাম্না তৌই। ভৃগু করিগী লাকইবনো. করি থবক্কীনো হংগোইদনা হায়ুনে হায়না তাকপী। ভৃগুনা ননাইগী পাদসিনা ইবুঙোগী বক্ষস্থলদা থৌগল অমুক্তুং কজগে হায়না নিংজহনা লাকচবনি। শোরারেম্না— করি, ঐগী থাবাক্তা মহাচণ্ডাল নংগী নখোংনা কাওগে অসি নত্রা? চংগ্রো কায় মহাপাপী, কনা কনা লৈনগে, পাপী ভৃগুসি মস্তক পাইথুনা উনখো— কারবক্ষপদা নিপা অমনা ভৃগুগী মস্তক পাইথুনা উনবোলক্নে। অদুম পৌনা ব্রহ্মা, বিষ্ণু, শিব, যোয়াচিংবদা মায়খিবতা কংলে। তৌইগুম্বনুং তাহবং মপুদি কংবা কৌবা লৈত্রে।

ভৃগুদো অকোনবদা থ জদা থাজদা দ্বারিকাদা লাক্লে। দ্বারিকাগী রমনীখিবক্না গুণিদেব লাও লাও, আসোন্দা পেংশিনশি, করি চানি, হুংশিখেত্রা কুইনা উরুত্রবনি, তরায়া ওকই। ভৃগুনা— ঐখোই ইবুঙোবু অমুক্তং উজনিংহনা লাকচবনি। ভৃগুনা মথা তানা— ঐখোক ইবুঙোগী বক্ষস্থলদা ননাইগী পাদসিনা— হায়রগা মথা তাত্রে। রমণীশিংনা— করি, করি হায়বা ইবুঙোগী থগাক্তা চণ্ডাল নংগী নখোংনা কাওগে· অসি নত্রা হায়ু ভৃগু। ভৃগুনা— হোয়, হাইহনা হৌগংহুনা চংকে তৌই। রমণীশিংনা— চংলো, চংখো, মহাচণ্ডাল হায়না তানখোয়ক্লবনা ভৃগুদো পেহৌ পেহৌনবনা খোকখে। কৃষ্ণনা— লজ্যতলা, লুকমনি নখোয়না লাওনম্নিবদো কনাগনো? রমণীশিংনা

ভৃগু মহাচণ্ডাল এ ইবুঙো। চণ্ডালসিনা মহাকী পাদনা ইবুঙোগী থবাক্তা কাওগে হায়রি। হাসি তাবদা কৃষ্ণনা— অহানি কৌরকউ ভৃগুদো. ঐনা লাকখো হাইরু। লুকমণিনা— ও ভৃগু, ঐখোয়গী ইবুঙোনা লাকখো হায়রি। ভৃগুনা— ঐহি তাহবং কোয়না থিজবা কংদ্রেদে। কনাবু নিংজগনি, ওনখোক্লা ঙোনপেল্দকো হায়দুনা কংল্লা চৎকিহৈদা কৃষ্ণনা হল্লকখো হায়বগী গাও তাবদা লাক্লে কৃষ্ণ নাক্তা।

কৃষ্ণনা— রুক্মিণীনো ভৃগু নংনা ঐ উমবা লাক্লগা উমদনা কনবদি রুক্মিণী লাবপনো হায়! ভৃগুদো অহানবদদি খুমদে। মিৎলুদদি প্রেম। শিঙ্গবত্তুনা খোংবী নোয়হনা লৈরি। কৃষ্ণনা— রুক্মিণী চিংনরি. চিংনবা লৈতনা শায়নে- ঐ য়ায়া থংনিংলে কজল্লকপদা ভৃগুনা- ঐখোয়গী ইবুঙোগী বক্ষস্থলদা ননাইগী পাদ— মথা তাব ওমত্রবদা কৃষ্ণনা— নংগীহবু কাওগে অসি নত্রনে? ভৃগুনা অহোয় হায়রক্লবদা কৃষ্ণনা— ওসাইনা হায়বা কৈদৌই কাওরো কাওরো ভৃগু থবা চৎখোক্লগা চিনশিন্দুনা কল্লা কাংকো। কৃষ্ণ শয্যাদা চেপ্পা হিপলম্বাদগী কৌপৎতুনা খোংগ্রায় চন্দুনা লৈখ্রে। ভৃগুনা থবা হংদোক্লগা চেনশিন্দুনা কৃষ্ণগী থবাক্তা হেৎকী পাদনা খোগ্নল কংখ্রে। অদুবু কৃষ্ণগী থবাকতা কাওরবগী পাদ চিহ্ন মথেক লানা লৈবা উবদা ভৃগুনা করে হবে ভৃগু ঐদি মাংজরে। মনাইদি করম হৌনি ইবুঙো। সত্য, ত্রেতা যুগতদি জগৎ মপুসে অমত্তনিদো। ঙসি দ্বাপুর যুগসিদদি জগৎ মপুসে য়ামখ্রে, ইবুঙো। কনা থবনা ইন্দ্র শোরারেল্লি হায়দুনা ইন্দ্রাংশরি পুরমনবি শোয়রি। থবনা ব্রহ্মাবু নিংনদ্রি, কনায়না

মহাদেব, কুবের য়োমসি হায়না নিংজবা নমাইহনা অকুপা মপু থিরকপগী হংজে। হংজনিংবনা নমাই ভূগু ভূখা চাবা থংডক ব্রহ্মা অকোনবদা নাইগী থখল অমা লাকচরে। পু অংনংবদি অগুগ শিং অচৌব মখোয়দা য়াম্না শওগদবা বা অমা হায়রগে, অহুদা শওববাদ ক্ষমদে। মহাক নিংবগী মরমদি ঐগী পুক্লিং থংদে অহনা তৌবনি, শাওক্রবদি অশেংবা জগৎ মপুসি, ঐগী পুক্লিং থংজে। মহাকপুতা নিংজগে হায়হনা নমাইনা শাবারেন, ব্রহ্মা, মহাদেব, যম, কুবেরদা চৎতুনা ঐ খায়গী ইবুঙোদা ক্ষয়বগুম্না হায়জরুবদা নমাইবু অরাকপা য়াহৈনা তানখোকপীরকইদো। মীওইবা মপোকতা লৈবনা ইবুঙোবু অশেংবা জগৎ মপু ওইরমগনি খাজদবনি। অহৈনা কায়দ্রবহদা ইবুঙোদা লাকদবনি। অশেংবা মপু ওইরয়ে। অহবু জগৎ মপুগী বক্ষস্থলদা মুর্খ ওইরবা ভৃগুনা কৌনদববু থৌজরবসিগী নমাইদি বরম তৌনি, মাংজরে। অসি হায়হনা কৃষ্ণগী পাদ কোম্নুনা সাষ্টাঙ্গ প্রনাম তৌজরগে।

শ্লোক = যদি গমন মধন্ত্যা কর্ম্ম পাপা নো বদ্ধা,
যদিচ কুলবিহিনে, জন্মে পক্ষী কীট্তি,
কৃমি শত মশী ভৎকৃতং ভবতু মম হৃদিস্থা
কেশাহবো ভক্তি রেকা।

হন্দোকপা — তাবিয়ুনে হে দীনবন্ধু দয়াময়— ঐনা তৌজরকবা কর্মগী মতুং ইল্লহনা তিন, কাং, শা, উচেক, মী, খোঙচেক-ফিং তাংবা ওইনা পোকচবা অমদি তোনগ্রবা নরকী তিন ওইনা চায়রক হন্না হন্না পোকচবা পোকচপদু— ঐনা তৌজরকপা

কর্মগী দশানা ফংজবনি। অতোপ্পা থাখলনি তাকপীয় ইবুঙোনা— শ্রীচরন্দা তিকা অংহং নিজগে। ইবুঙোনা মপোক মপোক, শায়োন শায়োন খুদিংদা নমাইগী প্রেমা থুংম চংবগী খুদম ওইনা লৈরিবা ইবুঙোগী বক্ষস্থলদা মখি সিয়ঙাংবি মাংকনবী -গনু হায়রে। কৃষ্ণনা— "ভৃগু নংনা নিংজনা থুংকরো" হায়না কৃপা পিখী। মরম অদুনা নিমাইদি কৃষ্ণগী শায়েমী অহুনা নিমাইগী বক্ষস্থলদা ভৃগুগী পাদচিহ্ন লৈখিনি। অহুগা সংকৃর্তনন্ত মরিকচুম্মা ইনিন ইরাম্ব নম্মা শামরে। নন্দীপকী নাগরিক শিংনা অমগা অমগ ঙাংনরে— "ইচে ইনাও, শোচিগী মচা নিমাইনা অঙাং লাইরিক তাকপিবা লোয়নগা সংকৃর্তন হায়বা অমা হৌরি, কঙখেদা ফুংশেলদা য়েংঙু শিরো।" অমনা গুরুজন্না চৈগনি, অমনা চৈদনবা খম্মগে, য়ুমদা ঈশিং লৈরবস্তু খাঞ্জ্র হায়দুনা হুন্দকলো খম্মনদুনা ফুংথিল্ল পুং মণ্ডা তাবদা শানাবুন পাইহুনা গঙ্গাদা ঈশিং শোকপা লাকউ অহু ওইরবদি কনানসু চৈবরোই। সংকৃর্তনসু মতম অহুদনি। অসুম হায়না নাগরিক শিংহুনা শানবুন অমমম পাই- হুনা পন্নেং শানা লাকতুনা সংকৃর্তন য়েংজরি।

নিমাইনা ঋষ্যম তাকপগা লোয়ননা ঈশৈ শক্তি, চোলোম হৌরি, জগোই শারি। য়েংলিবা নাগরিকশিংনা নিমাইগী মতৌ লৌহুনা নিমাইনা পাকথবে মখোয়সু পাকথে, নিমাইনা জগোয় শাবে মখোয়সু শারে। অসুম্মা চোংহুনা জগোয় শাবদা নাকল্গী শানাবুন তাহুনা কেপ্পা য়াওরে। অহু কাওবদা নাগরিকশিংহু নিমাইগী সংকৃর্তনদা যুনখি।

মতুমদি নিমাইনা নিতাইদা হায়, — "বৈদিক পণ্ডিতশিংন্যা ঐবু ফুশি তানশি তাংনবশে ঐ তাবে। ঐনা সংকীর্তন হায়দুনা শা নবিবশে ঐগী শমক নত্তে, মরমগী কনবগী দমক্তি হায়বসি রয়াম্না ভাব তানদ্রে ঐখোন্দা কয়া য়েংশিননিবে, মসি কানদ্রে। ঐনাকসে সন্ন্যাস ওইবগা মখোয়শিংহুদগী ভিক্ষাচুম নিজবগে। অহ্ ওইবদি ঐগী ইতৌ উবদা মখোয়না চুংশিংগুম্বি, চানবিগনি অমন্নং ঐনাক্তা হায়জবা থিবিকনু তাবিগনিদো, নত্রগদি সংকীর্তনসিনা য়েক্কবা ওইদৌরে। অহনা নিতাই নবোংবুনা ঐ হন্দা "বিদায় পিবো, ঐ সন্ন্যাস ধর্ম পালন তৌরকবগে।" হায়দুনা নিমাইনা নিতাইনাচিংবা মখোয় মনুংমদগী বিদায় লৌরে।

অসোমদনা ভারথী গোসাইনা মমাংদা কৃষ্ণ মন্ত্র উবগা পুনা চংলু ভাগবথী নবদ্বীপতা কৃষ্ণ মন্ত্রসি শোচীগী মচা নিমাইদা পীরু। মহাক্না কলিজীবশিং উদ্ধার ওইবিগদৌবিনি, কৌতিক্তি নিমাই হায়না শায়োন্নুনা নবদ্বীপতা লৈরিবনি ভারথী নবদ্বীপতা চেংা চেংা লাক্লে। নবদ্বীপতা য়োরগা "শাচিগী মচা নিমাইদো ঐগা অমুক্তং উবজগে, মহাকী লৈকম তাকপীবু।" নিপা মচা অমনা "জয় প্রদা উবিবা মন্দিরসে সংকীর্তন তৌকমনি। ভারথী মন্দির তা লাকপা মতমদা নিপা অমনা চেরক্না ভারথীনা নিমাইবু থিবদো মমা শোচীদা তাবে। শোচীনা মচা নিমাইবু ইমুংদা থবত্রে। শোচীনা মপান্দা লৈরিবৈ তানজাদা ভারথীনা "নিমাই" কৌহনা চংলকই। গোসাইনা শোচিদা নিমাই লৈত্তে হায়রবদি মমানচা কায়নবা ওইককো হায়রমগা

তাইবং চংখি। অসোয়বা নিম ইনা ইমুংদা ভারথী লাকপা তারবদুনা মনিংথোং তাংহনা তাবথীপা উরকে। মথোয় অনি চুং-শিননা বারি শ্রবণ্দু শোচিনা উথোক্লহনা যাঙা চিংনদা ভারথীবু নিমাইনা নুনা তৌবগী মরম হংলে। নিমাইনা—"ইমা ভারথীদি কৃষ্ণভক্তনি, কৃষ্ণভক্তবু নুনা তৌবদা করি অকাইবা লৈবগেনে ইমা।" শোচিনা— "মতু নত্তে এৈনা হংবদি, নপাবুংশু নংবু তৌনা হনদোককদ্রগ নোংগাথে, নমাখা বিশ্বরূপ শু ইমাবু হনদোকলম্মগা সন্ন্যাস ওইখেন্দা। নমাখ শুম্মা এৈবু থাদোকহনা চৎলগেবা কায়রবনি।" নিমাইনা— "ঐ কদায়দসু চৎচরোই ইমা, চৎলবসু এৈমাগী যাথং নত্তনা চৎলোই। করি-গুম্বা চৎপা থোক্লমসু অমুক হেক্তা কক্কনি।" শোচিনা—"তাইবো নিমাই, মং কদায়দনো চৎকে থক্ল, বাংলা অসি যাম্মা শোক্লো তৌই, ইমাগী শেংনা ভস্ম নত্রবদি মপোক মপোকী ইমা কৌবা কংজরোই চুম্মা কাইনু নিমাই। নিমাইনা চুপ্নি ইমা, ঐসে মঙ্খুম অমত্তং দর্শন কংজগে নিজরি ইমা। শোচিনা—"অহৃদি যাম্মা অকবা বানিন্য চৎলু মতমদা নিমাই, চৎপগী ইমানা থাগন। অছব এৈনা হক্কং শিরগা চৎলু ইমা কিংলিতৈদনি যাদে।" নিমাইনা- "ইমা অমুক্তং চৎচগেনে" হায়না তারনা তোয়না হায়জবদা ময়ানা বিদায় পীরোইদবা উবদগী মমা শোচিনা বিশ্বরূপ উহনবে। শোচিনা বিশ্বরূপ উবদগী—"ইমুক্তো নহাক্তি জগৎকী মপুনি অহুনা এৈনা থাবা ইতিক নৎতে, চৎলিবা মকথদা চৎকুনা জীব উদ্ধার ওইনবা তৌবিরু সন্নুম হায়হনা বিদায় পীথোকত্রে।

* * বিশ্বরূপ হাঁয়বসি মৈ, ঈশিং, হুংশিং, লৈপাক, হুমিং-গী থবাগ মিচাক, অমম্বা অঙাংবা, চিং-মান, ঊপান হৈপাম, তিন-কাং, শা উচেক চিংবা পুক্রিমকসে মহাকী মথাদা য়েংখিনদা লোয়না উবা অহুংশ্ব অঙকপা শকতম অঙ্বুনি। * *

*   *   *

নিমাই মমাগী বিপাক্ত কংবদগী বিশ্বরূপ চিংশিনথে। অস্থুম তৌনা ঙৈকাক লৈবদগী হুমিং তাবে। শোচিন্নী শয্যাকাপা চাকমঙগা শম্রি। নিমাইগী কানা তোঙাম্রী। নিমাই হুমিদাংগী চাব থকপা লোয়হুনা মকাকী কাদা লাক্লে। অসোয়ক্ বিষ্ণুপ্রিয়াদি শোকিগী নাকঙ্ভা লৈকৌবি। মতাংসিদা নিমাইনা মন্তোমদা থনৈক- "ঙ মথীনা হায়বশ্বী— সন্ন্যাস ধর্ম্ম পাক্ন তৌবা হায়বসে অপাম্বা নপ্পে, অহানবদা গুরুজনগী বিদায় লৌগনি। অনিশুবদা, সংগুরু থীহুনা দীক্ষা তৌগনি। অহুম শুবদা হুমিং থা, পুংকম নক্ষত্রনচিংবা অকবা য়েংহুনা কৃষ্ণমন্ত্র লৌগনি, সন্ন্যাস বেশ কৌগদবনি হায়বশ্বী।" মহাকা ঐগা ঙাংনখিবদো ঙসিদগী কৌনা চংশবা খোক্রবদি মতুংদা অমুক অকবা হুমিং অমা ঙায়বদা বাগনি অহুনা ঙসি চংপা তাবে। অহুবু ইমা লাইবক খিখিসে হন্দোকহুনা কয়া চংকনি, পিঙা লৈখিদবা, ইমাবা চংখিবগী মুংশি প্রেমগী মৈচাক্লা থাংবদা বাকবা ইমানি। নিমাই ঐ লৈবদগী ইমনা অমুক হুংখিমগী হুমিং অই, হুমিদাংগী মাক অই ঐবু য়েংহুনা হিংহুনা লৈজবনি। শীকুপ অমমং ঐবু উজবদা হা-নিমাই হা-নিমাই, হায়হুনা কোয়চেন চেনহুনা ঐবু খিখিবা ইমানি। ঐনা সন্ন্যাস

ওইখ্রগা ইমানা, তৌহৌরদবাসে থম্বরদা কবম হায়না খোং থাংদোকতুনা চৎলিংগে, তোনুম্নে দুকো, নিমাই ঐগী মপোক্নসে। কবম্বা লেঙ্গভম, তেংথি কত্রবা থমিত্তা পোকপনো, আত্তম্বা বুকখা, পাপ তৌরবনো ঐনা ইমাবু মীপাকথাদ্রে— অসি থম্দুনা নিমাইনা, শয্যাদা ফমহুনা মমা কাংবগী থাখলদা থাজবি। মতমদুদা বিষ্ণুপ্রিয়ানা মরুপো সেবাগীদমক হে— লৈ পুথুনা চংলকই। মবুতোগী মায়থোং মকা উপদা— "বাদু তোরে ফবুতো মায়থাং মুত্তাইত্তবা উবহু। নিমাইনা— "কুরিম্ তোদে প্রিয়ে" কায়বক্লদা প্রিয়ানা মবু তাগী মায়থোংদি পর্নিমাগী থাজবু উম্জবনি, অরাবা মুত্তাইতবা নত্তুনা কথিগী মকনি, ফুমহুনা থম্বীগী মনাইদা চুম্না তম্বীসু কায়ত্তকখি। নিমাইনা— "চুম্মি চুম্মি প্রিয়ে ঐগী ভমখিরবা অংবা অমা মতৌপাদগী লৈখনি, কবা, সুকতম তমজে প্রীয়ে। অমুক অমুক হেক চেক তৌরক। তাসদি ঐগী অনাবসে থাম্বা কম্না তৌরক্নে প্রীয়ে। ঐনা নাথিবা অনাবসে নবদ্বীপতা য়েংবিনবা কনা লৈত্রে, বৃন্দাবনদদি কববা মাইবা লৈত্রোব। ঐগী অনাবসে বৃন্দাবনদা য়েংহনবগে প্রীয়ে! নংনা বিদায় পিয়ুনে।" প্রীয়ানা চিংলদুনা বিদায় পীয়ু হায়রবদা, নিমাইনা বিষ্ণুগী চতুর্ভুজ উৎনখি। অদুনা প্রীয়া তাওখিদুনা বিদায় পীরোকখে। নিমাইনা [illegible] জ চিংশিবথবা মতুংদা বিষ্ণুপ্রিয়ানা অমুক মরুপো হৎখিনি। চিংনদুনা শংদুনা হৈরে, হুমরে। নিমাইনা নিয়া কৌবী লাইবোবীদা [illegible] তুম্না হায়বদা নিয়ানা প্রেমগী মিত্তা তোংবা প্রীয়ানা— " হে নিজে ঐ ভুথা থাদে। ঐনা তুমবদি ঐগী ইবুঙো শোয়দনা

চংখ্রজি। নিঙ্গে নংনা ঐবু তুমহনবা ঙৌগনু, ঐগী ইবুঙোনা চৎপ্রবদি পুন্সি চুপ্পা ঐনা রাগদোরিবসি নিঙ্গে নংনা করম্না য়েংহনা লৈরবগনে! নংগী মুপীটি, মুপীগী অরাবসে থংকম খোবই। মরম অদুনা ঐবু তুমহনবীগনু হায়জরকহ।

লেপ্তুনী য়াথংনা কন্থিবনা প্রীয়া থাংবা ঙমদ্রবদা মবুঙোগী শুনঙা মচিগা মনাইগী হন্ন ক মচিন অনি কিসি থাহনা কন্দুনা তুমথখিবা থংহৌদ্রে। প্রিয়ানা তুমথপ্রবদা নিমাইনা লৌগংতুনা শুনঙা মচিন লেঙহনলে, শয্যাগী কুমথরে মণিহার পরেং লৌথোক্ল, লৈথাকতা থাদরে, ভাগবত খুরমলে। নিঙ্গুপ্রিয়াবু চিংনা চিংনা য়েংঙনা তুংকন কুংকন খোংজিন লোমদ হন্দোকলগা— "লেহৌরোকো প্রান প্রীয়ে বিষ্ণুপ্রিয়ে। ঐ সন্যাস ধর্ম্ম ক লুংগে নংবু মপোক সমগী হন্দোক্লরেদো। ইমাগা নগনা কপ্পা খঁপ্পা লৈবগা ঐগী নিংবা খুংঙগনি — নংনা ঐবু বাংদোগনুকো। কলিজীব উদ্ধারগীতমকী কপতনা মপতনা লৈহৌরোকো। প্রীয়ে নংনা ইমাবু লুনা তৌবিয়ু়ঙো ময়াইবক থিরবী ইমানি। ইমাগী পুক্সিং হলহনগনকো, প্রীয়ে নং লৈহৌরোকো ঐনা চৎলে প্রীয়ে।" —অসি লায়রগা নিমাই খোং হাংদোকখনা মমা শোচিগী নাকতা লাক্লে। হে ঈশ্বর নারায়ণ ইবুঙো, ইমানা নিদার পীবিরা সিমতংদি নহাক্না খোজানবিয়ুকো নত্রবদি নুনাইগী গতি লৈজদে— অসি হায়না নারায়োনবু চেৎনা থুরুনজরগা শোচিগী শয্যাকাগী খোংনাক্তা লৈরগা "ইমা ইমা" হায়না কৌজরই। শোচিনা তম্মা তম্মা তাবহুবা হায়রকই— "হা কোকিল, খোংলবা অহিংসিদা নংনা

ঐগী নাকতা ররিগী খোংওরি। কোকিল মংদি বৃন্দাবনগী চেক্লানি, বৃন্দাবনদা পেন্না পেন্না খোংজক "চৎলো চৎলো কুকিল"— অসুম্না শোচিনা হায়রক্রবদা নিমাই মমাগী হিদাক ফংজরে খনহুনা গঙ্গা মপান্দা লাক্লে। গঙ্গা মপান্দা শন্নাও কায়নবা সখী অমনা মচা কায়নংগী হোখা হোখা খোংহুনা কোয়না কোয়না চেনবহু উংগা নিমাইনা— "হা সখী নচা শন্নাওহৃদি হক্তিক নত্রেবগ্ন হরেংদি নমা নচা শোকদনা উমগনিদো। ঐগীদি মপোকসিমগী ইমা হচা কায়নরবনিদো। ইমানা ঐ লৈতে ভাবদা খংবদা মশম মনা ফাহুনা মাইকৈ শলাই খংদনা "হা নিমাই কা নিমাই" হায়হনা বাগদৌরিবসি খনুবদা ঐবু করি ওইরসিগে।"

শ্লোক— নমমী জননীদেবী প্রকৃতি স্বরূপীনি, দশমাস গর্ভ-ধারিণী অহোরাত্র অন্তনা বেণ্ কোটি জন্ম নোপারয়ে।

অর্থ— মালেম ইমাগী পুকচেল ওন্নবী মংশিকরবা ঐবু পোকপী হা-পালেম ও, থাজ অরাবু গর্ভবেদনা পুহনা রানা য়োকচরক্রবী ইমাজি। ইমাগী খোয়রাং লমন্দো নচানা শিংবা ওবমত্রেদকো হা-পালেম ও। কক্রবা পুংকম দুখিত্তা পোক্রবা মচানি, ইমা ঐবু কাবৌবিহুকো। কলিজীব উদ্ধারগীদমক্তি ইমা অচা চৎলে চৎলে। অসি হায়হনা গঙ্গা মপান্দা মযাবু সাতত্র প্রনাম তৌজবগা মপান ভানা কুমথরকহুনা মাধব হায়বা হিহোমবা মাখীহুবু "মাধী ভাই মাধী ভাই" হায়হনা কৌরকলে।

মাধীনা— "কনানো মাধী ঐবু কৌরিবা করি হায়বগে।" নিমাইনা— "ভুমেনসি খবা লানথোকপীহু

হায়রজবনি। মাঝীনা— "মমনু য়াম্না মমলে থাওমৈনু য়াওদে তুরেনমু ঈশিং য়াম্না তাওই, হয়েংদো লানজগে। নিমাইনা— "মাঝী ভাই, লান্দবা য়াত্রবা কেনকত্রবা অমা নৈবদগী তৌজ বনি য়াবরদি থরা লানবীয়ু।" মাঝীনা "হোয় হোয় হেংক-লবা হায়রবসে মীওইবা থুদিংমক্কিনী। ঐদি বারবসু লানবীয়গে অহুনু হিরানমন্দ্রি য়াওবিরকপ্রা ?" নিমাইনা য়াওরকত্রে হায়রক্ল-বদা মাঝিনা "অহুদি শোম্লরে, ঐদি হিরানমন য়াওদবা কনায়পুম শোংমতা হিরানজন্দ্র।" নিমাইনা— "তৌবিগনু মাঝি ভাই, ঐ থুদোং কয়া চারকতবদগী তৌজনি। মাঝিনা— ওহো অমবু ওইরংসু হিরানমন কৈত্রবদি ঐ ভমজরোই। নিমাইনা— "অহু ওইররদি য়া অমতং কংজগে। মাঝি থোরগী শাগেগী ইপা, ইতোন, ইচিন ইনাও ওইররদি হিরানমন তৌবিগদ্রা ? মাঝিনা— "অহুনা অক্তোপ্পা বানি।" নিমাইনা "অহুদি ঐবু থবা থুনা লানবীয়ু। ঐনু মাঝিগী শাগেনি তৌজিক হৌজকসু মাঝি ওইরিবনি শক থংনদহুনা তৌবনি ইচিন ইনাও থোকই।" মাঝিনা— "থাদি থাজদে নহাক্না মাঝিনি হান্নবদো। করম্বা তুরেন ঘাটকী মাঝিনো শেংনা হায়বীয়। ঐনা থংদবা তুরেন ঘাট নৈতবনি। ঐনা অচুম অমান কাগনি চুম্লবদি শোয়দনা লানবীম্লনি মক্তবদি ঐবু নাবৌবীগনু ঐ ভমজরোই। হায়বীয়ু করম্বা ঘাটকী মাঝিনো ?"

নিমাইনা— "তাও তাও মাঝি ভাই, হিরানবা ঘাট হায়রবসে অনি থোকই। অমাম্না, শ্রীওইবনা সংসারগী মায়া অমদি আশাগী ইপাকতা তাওহনা শায়রিতৈদা লাক্লিবা অহুগা

অংতোপ্পা অমনা মীওইবনা হয়েং শিংবা মতুংদা লানগদৌরিবা রাধাকুণ্ডঘাট, শ্যামকুণ্ডঘাট, বৃন্দাবন ঘাট, কাশীঘাট, হরিদ্বার ঘাটশিংনি। অদুগা ঐদি অনিমকসি থাদোকখ্রনা [illegible] [illegible] ইরোল ঐদা লানগদৌরিবা [illegible] অরুবাঘাট থাবি অমুক [illegible] লাকপনি। [illegible] [illegible] লংদি পিকপ্রবা তুরেলঘাটকী মাখিনি হিরানুমক্ত্রম্ যাম্না লৌই। অমুক থুংখিলদা থরা লাল্লগা হুমিদাংদদি তথহনা পোখাহনা লৈবনিদে।। অহনা নকাংতি লাইবক যাম্না ফবা মাখিনি। ঐদি কল্লবা পুংকম খেনথমদা পোকপা লাইবক থিল্লবা মাখিনি। ঐনা লৈগদবা ঘাটচুংদি শুকবা মতুবা কিংবা হয়া যেংবদা কনা উথিল্লবা অদুদা ইদোম লৈগদৌরিবনি। নোং হেক ভানবদগী পুং কুমথি পোখাদনা হোনগদৌরিবনি। ঐদ হিরানমলসু লৌদে। অমানা ঐনা হোংগদবা হিদো যাম্না মরো চাওই। অহনা হিরানবা লাকপা শিংদা পাওরেনজগদবদি যোন চপ্প চাহল্লু মেন হেল্লবদি হি লুপকনি অহগা ফাজ্রবসু হি চৎলু য়ারোই লানজিবা অমদি হোল্লিবা ঐস্থ অরাবা তাগন। লাল্লবা তংদা অসোম য়াংথদা লখী আন খোকপনা হি থাংকমসু অনি থেংকই। হেংকী ঘাটনা পুক্ত বন্ট কৌই অহগা ওইদনা নোরোক ঘাট কৌই। অমদা কুম্নগা অমদা চৎপসু য়ারোই। যোংকী জিংথংনা বাংনা শাংনা থাহনা লৈগনি। হিরানবা শিংনসু মশানা কুমগদবা ঘাটসু থংজদে। ঐনা থংনা কুমহন-গদৌরিকনি। পুক্ত ঘাটতা কুম্বা হিরামবাশিংহ'দ নোক থেল্লনা হুয়াও তয়াম্না চৎখি। নোরোকী ঘাটতা কুম্বাশিংহুতি মপী

খুদাং তৈতহনা কপত্তুনা চৎখিদোৱনি। অহনা হায়জনি মাখি ভাই ঐদি য়াম্না তোল্লবা মাখিনি হায়জবহনি। মাখি ভাই নহাকসে কোংম্না নত্রে মোংমদি হিরানবীয় হায়না শোয়দনা লাকঅমগ, অহল ঐমা" নংবু লামবীগে। ওসসে নংনা ঐবু লামবীবুরে মাখি ভাই।"

"ঘরনীদা নিমাইগী বা তাবদা নিমাইবু চিংনা চিংনা যেংলগা হিক্রা হিক্রা কপ্পহনা নিমাইগী চরন কোল্লহনা নিমাইগী মপাও তবু মেনজ্জকলে :— "শোয়দনা হিরানজগে হে ঠাকুর!" হাসি হায়না চকক কপচবগা নিমাইবু হিরানবিরে।

* * *

নিমাই কাহুরা পানা হৎখিহনা মোংওাল্লগা অগুকী মুমৎ তারকপদা ভারতী গোসাইগী আশ্রমদা হুখি। নিমাইনা গোসাইদা হায়জৈ "নন ঐ ঐদী বাম্মন মচানি ইমিংনা নিমাই কৌজৈ। মমা-ইদা গোসাইনা নবদ্বীপতা লাকপা মতমদা ঐগা উন্নজখিবনি। ঐনা কৃষ্ণমন্ত্র পীবিয় সন্যাস ধর্ম চৎচনগে হায়জবদা অকবা পুংফম মমিৎ পান্নরগা মহ নংনবা লাকঙ্গ তাকপীবা অহগী মতুং ইন্না লাকচবনি গোসাই।" ভারতীনা— "চুপ্পিনা হে- ঐদি ইকাওবু কাওরুরে। অহবু নিমাই নহাকসে অঙাং ওইমল্লী সন্যাস ধর্ম ফংবা য়াখিরোইবো। মরমদি চহি হুাওখে যৌদ্রবদি সন্যাস ধর্ম ফংবা য়াদবনি।" নিমাইনা, " কম্বি বানো গোসাই চহনা চৎনদে। মাগী মাগী আসক্তদা লৈবনি। মরমদি, চকি মঙাতা ভাইরিবা ধ্রুব, প্রহ্লাদ ঈশ্বরগী থৌজান ফংখি। অহগা ঐসে থোইনা অঙাংসু নত্রে

চাক কুনমখি ভাংনি ” গোসাইনা— “ হা হা, অমা ওইরবস্তু চহি য়াঙখৈ নত্রবদি য়াদে ।„ নিমাইনা— অদুদি গোসাই য়াথখৈদগুম য়াদে, ঃবমদি পঞ্চ তত্ত্ব ংংদবা য়াদবনি । পঞ্চ তত্ত্ব হায়বসে অনি থোকই, অমানা ঈশ্বরবু নিংজবদা অমহুনা খোংজ নিত্যানন্দ, অদ্বৈত্য, শ্রীবাস, গোদাধরবু পঞ্চ তত্ত্ব কৌই । অমানা, মৈ, ঈশাং, মুংাশং, অহাংবা, লৈবাক মঙাসিবু পঞ্চ তত্ত্ব নত্রগা পঞ্চভূৎস্থ কৌই । মসিগী মঙম খোরম খংত্রবদি য়াঙখৈনস্থ কায়দে । ভাবথীনা— য়াঙখৈদা নত্রংস্থ হমফুদদি য়ারেদনা । নিমাইনা— য়াদে, কাম, ক্রোধ, মোহ, হায়বদি অপাম্বা, অশাওবা, মীকৌবা থিবিকসে খংত্রবদি য়াদে । ভাবথীনা— হু রক্তরাদি কমচৌবা ? নিমাইনা— অহুস্থ ঈশ্বরবু নিংবদা “ সপ্তবিধান ” বিধান মথল তরা লৈ, মহু খংদবা য়াদে । ভাবথীনা— “ মরিক্দদি য়ারেদনা । নিমাইনা - য়াদে ঈশ্বরবু নিংবদা ব্রত কৎপা হায়বদি চরা হেন্না তাই । ব্রতসি মরিক্ লৈ মহু খংনা ঙাক্না চৎবদবনি । ভাবথীনা— মরকুতরা-দদি য়ারেদনা । নিমাইনা— য়াদে ঈশ্বরবু নিংজবগী ভক্তি মথল মাপল লৈ । মহু খংনা ঙাক্না চত্রবাদ য়াদে । হায়বদি ১) পূজ্য ভক্তি পৃথবীরাজ নিংথৌনা চৎখি । ২) সংকৃর্ত্তন ভক্তিনা শুকদেবনা ৩) শ্রবন ভক্তিনা পরিক্ষীৎনা ৪) বন্দনা ভক্তিনা অক্রুরনা ৫) স্মরণ ভক্তিনা প্রহ্লাদনা ৬) দস্য ভক্তিনা হনুমাননা ৭) সাধ্য ভক্তিনা অর্জুনা ৮) চরন সেবা ভক্তি লক্ষ্মীনা ৯) আত্মনিবেদন ভক্তিনা বলি নিংথৌনা চৎখি । মসি খুদিংমকসি ঙাক্না চৎকদবনি । ভাবথীনা— চহি চামরদি

শোয়দনা য়'রেদনা। নিমাইনা— মহুস্ য়াদে মীওইবগী দশম দশা হায়বদি দশা তরা লৈবনি। মহু থংদবা য়াদবনি হায়বদি বুধদশা, শুক্রদশা, শনিদশা, মঙ্গলদশা, রাহু দশা, কেতু দশা অন্তর্দশা খিবিকসি থংগদবনি গোসাই। ভারথীনা— চামতরা-দদি কমদৌবা ? নিমাইনা— "মহুস্ মীওইবগী ইন্দ্রি তরামাখোই লৈরিবসি থংনা চৎকদবনি। গোসাইদা ঐনা হায়স্ু লায়জখ্রে চক্লিনা চৎনদে মাগী মাগী আসক্তদা লৈবনি।" ভারথীনা— "থংজরে ইবুঙো নহাকতি জগৎকী মপুনি। নহাক্কা কনাগবু ভাংনবা ঙমগনি। অতুনা করে, ঙসিসি পোথায়গা করে'দি শম-না শেংদোক্কবা মফম তাকচগে।"

নোংঙাল্লগা কাঞ্চনগরদা মধু কৌবা হাজামদা শম-না শেংবিরগা লাকপীয়ু হায়বদা নিমাইনা কতুরাগী সন্নকতা চৎলি। অসোয়দনা বিষ্ণুপ্রিয়া মীকপ থোকপদদি মবুঙো লৈরমদ্রে। প্রীয়ানা-মবুঙোনা তাং তৌরিমাল্লে খনজত্রনা কোয়না কোয়না ম্লেংজৎদদি মবুঙো লৈত্রে। প্রীয়ানা মবুঙো খীবদা মণিহার পরেং থেংনরে, খুংগংলে কোম্নুনা "হা - প্রাননাথ হায়না কপচৈ - ননাইদি য়াংজরে, মবুঙো - মাইগী করি অপরাধ দশা লেশ্রবগে, ননাইবু মীরাইবীনা" হায়না কপ্প মথৈ কপচরগা শোচিগী নাকংতা লাকতুনা মবুঙো লৈরমদ্রে তমজে। শোচিনা করি রানো হায়না মৈরা চমথংলে চৈস্ অমা পাইরে শোচিনা মাংদা প্রীয়ানা তুংদা, শোচিনা হা - নিমাই হা - নিমাই কৌজে, প্রীয়ানা হা - প্রান নাথ হায়না নদিয়াগী য়ুমথোং খুদিং চংদুনা হংজে। অমুদা কোইথি থিবদা কংওকতবা মতমদা

নোংজাললগ, গঙ্গ মুপান্দা শোচিনা—. " হা - নিমাই, নংনা, অচাং ওইরিবৈদা শিরে কায়দনা নীম মখোয়া অকুচুম্বা হন্দোকলুগী দশানা ঙসি ইমানা ইচা কায়নৌ. তমুম মালেং, হমাদা বাসৌগংকো নিমই, ইমানা খংদবনা তৌবনে।" মমাদুদা কৃষ্ণ য,শাদা মম মচা কুইনা,ক মনবা মতুংদা কুরুক্ষেত্রগী প্রবাস যঙ্গাদা অমুক হন্না উন্নখিবগুম্না অমুক্তং উন্নখিসকো নিমাই— অসুম্না কপ্পী মমা শোচিনা।

নদীয়াবাসী খিবিক্না নিমাই চংখে, খংনরক্রবনা শোচিগী নাকতা হংবা লাকচ। শোচিনা নিতাই, বরেপ্কনা নিংবা মখোয় মতাবু নিমাই থীক কায়না থাজ। মখোয় মচানা নিমাইবু কোয়না অসুম খাঙ্গদ লিবকপদা থেনরে। নিতু হনা নিমাইগী খুজং পাইবদুনা সন্ন্যাস ধর্ম হায়বদো য়াম্না ফজ, পাম্মী অহুবু অকায়বা অমদি লৈরে। মরমদি ইমাশোচ অমদি বিষ্ণুপ্রিয়া শোয়দনা শিনা তাখ্রে। অফবা ধর্ম ভাংনবদা মাতৃবধ স্ত্রী বধ শোয়দনা ফংবা তারে। অহুনা কান্নদে নিমাই ইমাগী নংক্ত চংলসি হায়না নিতাইনা কায়জখি। নিমাইনা— "এবুং খংজি, ইমাগা প্রীয়াগা রাকৌগনি হায়নদো অহুবু মখোয় অনিনা য়ারগা কলিগী জীবখিবিক্না উদ্ধার ওইবনা লেম্না কৈ হায়না তৌবনি।" নিতাইনা— "কম্নদে কান্নদে হললসি অমুক ইমাগী নাকতা।" নিমাইনা ভাংনবা য়ারবোইখন্দুনা- "হোয়নে হোয়নে, নখোয় নবু য়াম্রবদি করম তৌনি। এবু খিবদা রারম্নগনি য়ুমসিদা ভাইহক্তং ফমখিসি।"— অসুম্না য়ুমমুদা পোথাহল্লগা নিমাই কাঞ্চনগরদা মধু কৌবা হাজামগী য়ুম তাম্না

চংখি। নিমাইনা "মধু, ঐগী শয়নসে খরা শুনা কোকপীয়ু।" মধুনা— এদো মা অমগী শয় কোকপদা নিকোনপ্রতা লৌজে, "অপা পুবিরক্রবদি কোকচগে।" নিমাইনা পুককত্তে হায়কখি। মধুনা— "শয় কোকপা লাক্লগা নিকোন পুককতবদি ঐবু খওইদহনা তৌবনি।" অহনা অসিগুম্বা মীওইসি ফুরগা তানখোকখিবনা কৈ থম্বুনা চৈচুপ অমা পাইহনা নিমাইবু ফুগে হায়হনা চৌরকই।

নিমাইনা— "তাইখো তাইখো শাওখিগনু মধু ঐনা কায়বা তাখোনে। ত্রেতাগী যুগতা তমখিরবা রাবনা সীতা হুৎরবদা রাম লক্ষনা সীতা থিরকপদা নিশাগিরি কৌবা চিংদা হনুমান, নল, সুগ্রীবা, জম্বুবানচিংবা মনাই মতানা রানা থাংহনা লৈকা থেংনরুবদা উদ্ধার তৌবিগে খন্দুনা বালিবু বধ তৌখিলো। মতুংদা রাম লক্ষনা রাবণ বধ তৌরগা সীতা উদ্ধার তৌরবা মতুংদা বালিগী মচা অঙ্গদবু য়েংহনা রামনা হায়রে— "অঙ্গদ, নপাবুং বালিদো রাম ঐনা বধ তৌবনি। নপাবুংগী লমন শিংগে খল্লহনা সীতা উদ্ধারগীদমক অঙ্গদ নংনা করা রাজবা! নংগী লয়নসে ত্রেতা যুগতা ঐনা শিংবা ওন্নরোই। হয়েং দাপুর নহক্কা ব্যাধ ওইনা লৈরগনু। ঐনা ব্রজদা রাস, রাখাল, সুবল মিলোন, কালিদমন, নৌকাবিলাস-নচিংগা নরলীলা কয়ারুম শাগরগা দারিকাদমক লৈহনা ভারত লীলা শারগনি। ভারত লীলানা লোইখ্রবা, দাপুর যুগনসু লোয়রবদা দারিকাবাসী খিবিকন্ ভুমা লোকশয়গা, রোঙ্গো নীম পারীদা কাহনা নংবু তাইরমগনি। নংনা ঐগী খোয়োংবু

ভক্তিগী মনাকেংঙুম্না উবদা তেম্না থাবদা ঐহাক স্বর্গ-হুরণ-ৎহৌরগে। অদুমক্তু মংমী গৌবিন্দদা হেল্লি, নংগী লমন শিংবা লোইরোক্লে। "হকৈ কংলদা কাঞ্চনগরদা মধু হায়না কাঙ্গায় ওইহনা ঐবু তাইহনবা লৈহনু। ঐনা নবদ্বীপতা নিমাই হায়না পোক্লগা কাঙ্গাগী লমন শিংখৎলগে. কলিজীব উদ্ধার ওইবিক্লগে মতমদা কাঞ্চনগরদা লাকতুনা ঐগী শমসে মধু নংঙোন্দা কোক-কল্লগা লম্নম চিংথকদো. কোকখোকচগে লাকপনি। ত্রেতা যুগতা মধু নংনা অকদা ওইরগা ঐনা রাম ওইহনা নংগা ঐগা তাংন-খিরদো, কাঙলুপ্রা?" অসি হায়রগা নিমাইনা মপুবু মশাংদা নাক্লবদা মধুদা মমাংচৎকী মপোকশিংহ নিংশিং হুনা হিক্রা হিক্রা কপতুনা নিমাইগী চরণতবু কোল্লহনা হায়জরকই— "মূর্খ ওইরবা ননাইনি তোল্লবা পাংবা মচানি, অশোয়বা চাম ওংকপীয়ু, লাল্লরবা চায়রদগী কনবীয়ু, গুরুমন্ত্র নমাইনা।" অসুনা তাইহাক বিলাপ তৌরগা মধুবু নিমাইগী শম কোকপীরে। মতুংদা স্নান তৌরগা চুমা অমুক তাবীগী নাকতা লাকতুনা কৃষ্ণমন্ত্র কংজরে, কৌপিনচিংবা সন্ন্যাস বেশ থাবন তৌজরে। নিমাইনা কৃষ্ণমন্ত্র কংজরবদা ব্রজভাব নিংশিংহনা প্রেমা বিকার ওইখিতুনা বৃন্দাবন চাম্না চেল্লক্লে। অসোমদা, নিতাই, বক্রেশ্বর মখোয় মতাম্না নিমাইনা হল্লকপদা অসুম থেংজিন-নল্লবদা অমুক খিবা তৌরকই। কায়নথংদা নিমাইনা বৃন্দাবন চৎনা ক্লেনবা উবদা মখোয়সু তাম্নরকই। নিমাইনা ব্রজপ্রেমা অমুক অমুক তাওহনা তুবদা নিতায়না হেক হেক কোল্লখৎপী। অসুম তৌনা মখোয় অরুক বৃন্দাবনদা মুমিং হুম্নি ক্লেক উৎসব

সংকীর্তন তৌদুনা লৈবগা মিঙাম্না পুন্না নবদ্বীপতা অদ্বৈতগী মন্দিরদা মহোৎসব তৌরগা সংকীর্তন তৌগনি হায়না থৌরাংজরি। অনুমতি লৌরিদা নিঙ্ষম্না, শচীনা নিমাই কংলে হায়দুনা তম্লুই। শচী চেত্লক অহৌবু নিমাই উবদা অসুবু ঐখী নিমাইবনে, নিমাইদি মমা শচি উবদা সাষ্টাঙ্গ প্রণাম তৌরে। শোচিনা নিমাইবু ইংখৎনা মতমসিদা কদিগী শক্ত কোকথোক্লি, নহাক্কী পাঙকাক্লি কদায়, নাকন্দগী খাওসিনা কদি হাম্লিবা! ভায়খো নিমাই সন্ন্যাস ধর্ম হায়বসে য়াম্না তমথিরবা ধর্মনি হায়রে। মরমদি মমাগী ইমা, মপাদা ইপা কৌরে হায়রি। নংনা চাক লায়গা কনানা মতমচানা পীকপনি, তুম্লিংগনা কনানা কি-পীগনি নখোংতুনা কদায়া পাদুকা হংজনা চৎকনি, নোং চুবগনা নকাক কবমতৌনি। কায়দা কায়দে নিমাই ইমাগা চৎশি, চৌজিক নংবু ইমাম্না থাদোকলোয়।” ভানজাহুদা মল্লানি কৌবী হূত্রবী অমম্না— “ভায়খো লোচি, নচা নিমাইদো চৌজিক কদায়নসু চৎলরোই, নহাক্না নচা ভায়রকপদা বাবয়গনি ভাইরাক্তুং পোথকসি” —অমুম হায়না শোচিবু থেবহুনা পুথে কখৎ। অসোমদা সংকীর্তন হৌখৎ

নিমাইগী মতিক মগুন—

শৈরেং— গয়া, কাশী, বৃন্দাবনদা চৎতুনা গঙ্গা, যমুনা, সরস্বতী নচিংবা তীর্থ খুদিং স্নানবু তৌরবদি মপানগী পাপ কোকইরো হৃদিদা কৃষ্ণ প্রেমা পোকহবা ভয়দে। গৌরচন্দ্রদি প্রেমা থম্লবা হরিনাম য়েন্দুনা মোৎলবা পুকচেল লেংদোকপীরি। গৌরগী

হরিধ্বনি ভাবদা পাপীশিংগী পুক্কিং মুংশি মুংওনখি। রাধা কৃষ্ণ শোন্দুনা পাপপু কোকচখি। ব্রাহ্মণীখিদো পাপী ওইরবা জোগাই মাধাইবু হরিনাম পীদুনা, গৌর চন্দ্রদা তোয়বদু হনদোকপীদে, অচৌ পীনক নাইদে, মনেম অয়াং থাকদে, হরি চণ্ডাল থাকরুজদো, প্রেমা ঙানবা শরীর লেন্দুনা কোয়না চংদুনা প্রেমগী আলিঙ্গন পীবিরি।

ভক্তি – প্রেম কনাগা কৈজে—

শৈরেং— মমাংদৈ বৃন্দাবনদো চৌজিকত্তদি নবদ্বীপপু ওন্থ বৃন্দাবনগী হায়রুনা ভক্তশিংনা কয়া শোয়গী। ব্রজদো কহ্নাই হায়রবদো চৌজিকত্তদি নবদ্বীপত্তা নিমাই নিমাই শোয়দে। ব্রজদা শাৎলবা অনংবা থবাক্কদো চৌজিকত্তদি নবদ্বীপত্তা সনাগী থবাল ওইনা শাৎলরেনে। ব্রজদা ব্রজবাসী থিবিকপী থবায় হবদো চৌজিকত্তদি ভক্তশিংগী থম্মোয়বু হুয়রেনে, বাশীগী খোনজেল্লা ব্রজবু লল্লাংপদো চৌজিকত্তদি হরি সংকীর্তনা ভক্তশিংগী পুক্কিং মুংশি মুংওনখি, রাধা কৃষ্ণ শোন্দুনা পাপপু কোকচখি।

* * *

ব্রজগী কৃষ্ণদো অমংবা থরোবু উমজরবা কজরবা কুচুনি, সনাকিগেৎ খোনবনি, বাহোংগী চূড়া কোককী লৈতোয়বনি, ওকত্তা বৈজয়ন্তী মালা, খোংদা নূপুর, খুত্তা বাশী পাইবনি, কদম মখোংদা ত্রিভঙ্গ মূর্তিদা লেপলগা মূখদা বাশী থমহন্না নয়না চেপ্তক লেংলগা বাশীগী খোনজেল্লা রাধা রাধা হাবদুনা পুক্কিংদা মুংশি মুংওনজনি।

* * *

নবদ্বীপকী নিমাইদো কৃষ্ণগী শাক্তোনি। ভূতমূ-গী শাক্তাংহৌবা সকী ওইনা লৈবনি লৈবনি। পূর্ণিমাগী থাবু ওইরনা কক্তবা অংঙোবগী কুচুনি। রাধাগী লমনতবু শিংকুবগে অঙ্গগী লমনতবু কোকচরগে, কলি জীববু উদ্ধার ওইবিকরগে হায়হনা শববু কোকতুনা কৌপিন শেংতুনা, খুদিংমক মমুংদ ঘুমথোং খুদিং চংহনা বাধে বাধে হরি হরি শোন্দুনা হরি প্রেম-তর্থু নিং শিবহনা ভক্তশিংগী থম্মোয়রতবু হয়া হবহনা ভক্তশিংগী প্রেমগী থৈবাতবু ভাল০বদ্বীদো নিমাইনি!

ধর্মশিংগী মফুবা—

খ্রীষ্টান, ইসলাম, জৈন, হিন্দু, বৌদ্ধ মরূপ অচিংবা ধর্ম পুরমকসে ধর্ম ধর্ম হায়বনি। ঐখোইনা ইহাক হায়বদা থংকম খোকপদি কনাবু কবিবু ধর্ম কৌবগে অসিনি।

শয়া হায়রবদা থৌরম, কর্মবু কাবা খোনখোকতা ধর্ম হায়না কৌই। ঐখোইনা ঈশ্বরগী মরমদা তোঙান তোঙাবা মাগা মাগী পামজবা থাজবা মতুংইন্না শোমরবস্থু নিংনরবস্থু ঈশ্বরদি অমত্তনি লোইনা মগৈ। অহুমনদি ওইরগা খ্রীষ্টান ধর্মগী ডিসেম্বর তাং ২০ দা বড়দিন্নি যীশু পোকপা হুমিংনি হায়হনা জীব কয়া বধ তৌরি। ইসলাম ধর্ম চংশা বীওই খিমিকমদু ধর্মগী থৌরম কবাদা জীব বধ তৌনবিবসে অনুমত শকহিদু। অমং মপুরি হায়না থাজনরিবা মহাজী-বরদা জীব মরাম হাৎপসিবু চুমগরা? —মতাংঙিদা চিনরবা

ওয়দে। নিমাইদি হরি নাম শোন্দুনা হরি ভিকা নিবনি, জীব বধ তৌদে। সর্বজীবদা ঐ শুমা মুথেংশিননি, কনাদসু নিন্না তৌকদে; ভক্তিতনা মুক্তি ফংগনি ফাকপীরুবীদো নিমাইনা হায়না হায়রি।

*   *   *

কৃষ্ণ অস্তী—

দেবকীনা পোকচরগা কংসগী দি ঝেকবব্ ওইরক্লিরা; যোশোদাগী ফিজিগী মনি ওইরবা, ব্রজগোপীশিংগী থবায়বু হুরবা, রাধাগী থবায়গী মপু ওইরগা জুতিলা; কুন্তিলাগী বৈরিবু ওইরুরিবা, ব্রজগোপশিংগী মেশাবু ওইরগা বকাসুর বৃষাসুর কৌবা দৈত্যবু মাংহনবিখিবা; যদু শাগেগী চূড়া ওইরগা মধুকৈত্য কৌবা দৈত্যবু লানহিথরা; গোকুলগী থা দাই ওইরগা মথুরাদা কাল্লোকপু চাওকরিবা; শোকাবেনগী বাখোকফৈদবগী বধ নবু খুদোম্দা পুদুনা ব্রহ্মগী শন ব্রাহ্মণচিংবা জীববু কনবিরবা; প্রহ্লাদগী লিংজবস্থু পুংহনবীরবা; ভৃগুমুনি-গী পাদচিহ্ন দৈবনা মনাইগী প্রেমা খুদুম চবগী খুদম খঙী-রবা— খুরুমজরি ননাইনা।

*   *   *

হরি নংবু কংজনিংবনা—

হরি নংবু কংজনিংবনা ঈশা ঈপা, ইচু ইমা নাইদা, নাইতুং মরূপ ঈপাং, ইমন ইথুংবা চিংবা ঐগীদি লাইরিকতা কংশিনবা মায়াগী সংসারতবু থাদোকতুনা লৈবাং খরবা নিংদ;

শেংথুনা তুলসি মংলাম্না হেন্না চেংঙা চিকহনা, নামাবলীনা থাওনখাইহনা, ব্রজগী চন্দমা লাইথকতা লৈতেংজহনা, থুংতা দম্বাবু পায়গতুনা লৈকাই থুদং কোয়না চংথুনা মন্দির মন্দির থুদ্রিদা হরি হরি হায়রগনা তোয়না তোয়না, কৌজবা, হরি নংবু কংদেদো ! তীর্থ তীর্থ চংথুনা অম বত্রনা চিংবা কয়া দানবু তৌইজদো, তীর্থ থিবিকতগী অখোইববু ওইরিবা বৈকুণ্ঠদা কোইনা চংথুনা হরি নংবু হংজেদো কয়াতবু থিজেদো হরি কংদেদো ! মুনি ঋষি সাধু বৈষ্ণবথিবিক্না শোংথবা বোনদা উবু শেংথুনা, কোকতা জোটা পুহনা উটেং বাটেং চাহনা হরি নংবু কৌজবা অদুদাশু হরি নংবু কংদেদো। হরি নংদি পুক্নিং চুম্না শোনজরবদি থৌজানবিবনি হায়রিদো। শেন্না শেন্না শোনজগে পিবিবুকো হরিনা থৌজানগী মরিকপু।

0 0

লক্ষ্মণ নোকপা

মাবুমা সীতা হৰণ তৌদা রাম লক্ষ্মণ মীত থীজিনবদা, কনা কঙ্ঘানৰুম চংলবগী মতুংদা, রামনা মাংদা চংলগা লক্ষ্মণ মমাংখুংগী তুং ইনলম্মি। অসুম্না চংলা মতমদা রামগী মেংকী খোংকমদা কঙ্গোয় অমা লৈরম্মী। কঙ্গোয়না রামগী মখোং উবদা কিবগা মওংদা 'বেকু' লাওনা খোংহনা লৈক্রেকতা চংখি। কঙ্গোয়গী মতৌ উবদা লক্ষ্মণ নোকখি। শ্রীরামনা লক্ষ্মণ নোকপা উবদা হংখি— "রাম ঐনা সীতা মকম থংদনা রাবিবনে মচুনত মরিক থোকই, অদুবু মথাকতি নোকই, রাম ঐবু নিংবা রাংগ্রা? লক্ষ্মণ ঐনা পিতাগী রাশক তাকে হায়রগা বোনদা চাহ তরামরি লাকপসে, লক্ষ্মণ ঙৈহৌ মাঙনা চাখিদেকো, থকখিদেদো অদুগা বোনদা যক্ষ্য রক্ষ্য কনবনা ঐগী পাত্রিগীদমকতা চহি তরামরি তুমখিদেদো।

লৈশ্রেং— নোংমদি মনগী থাংপোকপদা রাম সীতা তুম্লিবা মতম, লক্ষ্মণ খোংদা লেংকী পুউনা লাইবকতা ওইপী পুউনা হায়গৎকৈ, নীকং মচিন অমনা লাইবকতা মচিন অমনা পুং অনিনা পেংহনা থদাংদা লৌজরি। অদুগা বোন্দা কোইনা কোইনা যক্ষ্য রক্ষ্য লাকপ্রা হায়দুনা মথদ্রবা অহিংগী থেংনবা মতমদা লেংজরি। অমুকতি লৈথাবোমদা হন্না কেনজরকদরি কঙ্গোয় অমা শিল্পনা থিন্দুনা লৈরমলে। হঙ্গোয়বু কেংহনা হাবরকই লক্ষ্মণ—

শ্লোক— কাল সর্প যদান্তস্থা তদ হস্তী মন্দকী, মৎধম্ম প্রীত্যা প্রীত্যেনো কিমর্থে কিঞ্চিৎ পুনঃ ভাসোয়োতী মন্দকী।

অর্থ তমখিরবা লৈম্না মাংহল্লগ অৌবদদি থেংবদাঃ ঐগী লিকুংনা লেঙবদদি করিগী খোংলকত্রিবনো? হায়ু হায়ু হে কঙোয় !

হঙোয়না— লিকংনা লেংবনা মশাদি লেংবা য়াদবে, লিকুংগী চৈনানা মায়খোংদি রসকগী আনিরনা ঙাংবঙম হঙোয়গী মায়খোংহ ঙাংলহ্নামপাওতবু মেনজবকলে— "মূর্খ ওহবনা ননাইনা ইবুঙোগী রাহংগী পাউথুম কবি হায়নবু থুমলসিবা !

শ্লোক— অসধু ত্বংবয়ে হাস্তা সুদান্ত সাধ তংনা ভাবিষ্যাত্ত সাধুবেবো সদা হস্তা কোমিত্রতা ভাবষ্যাত।

অর্থ- সুংাশ মায়া খংত্রবা লিনশিংনা মাংহল্লগে নিংবদদি খোংহ্না লাওহ্না কপচরগা সাধু বৈষ্ণব ওহরিবা মীওই নখোয়না তারগা কনবিগনি থন্দুনা খোংজবনি। বৈষ্ণব নখোয়না মাংহল্লগে নিংঙবদি কনানস্থ কনবিরয়োই।

" মরম অহনা খোংলুহনা কপ্পনা কায়দ হায়হনা তুমিন্না লৈজবনি হে সাধু ওইরবা লক্ষণ।" —অসুর চায়না থুমজাথ হঙোয়না। ইনাও লক্ষণদি অসি কাওবা তৌথ্রবনি, অহুৎ মহাত্মা ওসি নোংকপসি করিননো হায়না রামনা লকনদা মরম হংঙকলে।

লক্ষ্মণা পাউথুমজে— " তাবিয়ু, য়াম্রংগী চৎনকবু কংজিংবনা মীওইবা কয়ানা তীর্থ কয়দা চৎতনা অয় বক্রনচিংবা দান কবা তৌনরি। মুনি, ঋষি, সাধু, বৈষ্ণবখিবক্কা শোংথ্রবা বোন

মহুংদা লোংজু মুংশা থাংহনা, উহৈ ৱাহৈ চাহনা উকু শেংতুনা কোকতা জোটা পুহনা য়াম্বুংগী চরনতবু ৱানা নিংনরি। ৱলী কোৱা নিংথৌনা চুডাইবা থাদোকতুনা পাতালদা য়াম্বুংগী চরণতবু নিংজরি, হিরণ্যকৌশিপুরনা মচা প্রহ্লাদতা মাগী য়েক্লববু নিংগম্ব হায়খি। করিগুম্বা য়াত্রবদি ইচা ওইরবস্ব য়েক্লবনি হায়রহনা নামুনা খোংনেংহশহুম্ব, চিং অৱাংবদগী লংখহনা, মুংপাক পুন্দুনা ঈশিংদা লংখহনা, মৈহুংদা লংশিন্দুনা হু পীজহনা হাংনবা হোৎনখি। অহুক্কাওবদা শিত্রবদা মপাবুংনা "প্রহ্লাদ নংবু শিদনবা লাইরা মন্ত্র তাকলিবসে কনানা তাকলি-বনো, কংম্বা মতমদা নংগা উম্নহনা ক'রা মন্ত্র তাকই, মসিং করি কৌই, কদায়দা লৈবগে, মহুং মংঙৌ কমদৌই?"

প্রহ্লাদনা মপাবুংদা খুমজখি–" পাবুং নচানা নিংজরিবা ঈশ্বরহুদি নিরাকার নিংত্মানি, মকম থিবিকতা লৈবনি, অন্তর্য়া-মিনি। মতম থিবিকতা নচাগী মিৎতা উহল্লগা হায়রম্মী মহাকপু কাওগম্ব। ইবুঙো মাতবু কাওত্রবদি ঐহাক্কী অৱাৱা থিবিক কোকপীগনি হায়রম্মী পাবুং। অহুগা মহাক্কী মহুং মতৌ ঐগী মিত্তা উহনবদি– অশংবা থবোবু ওমজবা ফজরবা কুচুনি, সম্না ফিগেৎ খোল্লী কোকতা ৱাকোংগী চুরা লৈতেংলি, তকতা বৈজয়ন্তী মালা, খোংদা নুপুর, খুৎতা বাঁশী পাইদো।" ইবু-ঙোমা অস্থুম্ব হায়রম্মী– "ঐদি ওম্নিংবতা ওনবনি, মীগী মপুক থংবনি, মকম থিবিকতা লৈবনি।" হিরণ্যকৌশিপুনা নচিন থীগম্ব প্রহলাদ মকম থিবিকতা লৈগনি হায়রবদি চুংশিং চৎত্ররা তিকলায়গী য়ুমথী– সিগী মহুংদা লৈগত্রা? হংলকপদা

প্রহল্লাদনা —" লৈগনি পাবুং " হায়জখি। মগাবুংনা য়ুম্বী কৌথায়বদা নরসিংহ ওইনা চোংথোকতুনা ইবুঙোনা হিরণ্য কৌশিপু বধ তৌখি।

লক্ষমন মথা তানা– " অসিতসু নত্তেদো য়াম্বুং, খিনর কৌবা হিরমনা মহাক্কী হিদা করম্মা য়াম্বুংনা তোংহনা হিরানগনি,, হি-সিদি পাগী মূর্খনা লানবা হিনি অহূদা য়াম্বুংগী চরম্মা করম্মা হিথক্তা কাগনি থনজহনা খিবরনা মহাক্কী কোয়েংতুনা য়াম্বুংগী চরন্দা য়েংতুনা হিদা থাংগৎচখি ! থীবরনা য়াম্বুংগী চরনতবু চেংনা নিংজবদগী মকাক্কী হিদো সনাগী হি ওইখিদো। অতেপ্পা থোদোক অমনা, গয়াসুর কৌবা হিংচাবনা য়াম্বুংগী চরনতনা অথ'য়বনি কয়া থনজ'খবদগী মকাকদো গয়া-ধামদা পিণ্ডদান তৌকম তীর্থস্থান ওইখিদো। অসি য়ৌনা মাতুক মগুন চাওরবা য়াম্বুংগী চরনতবু কিহনা তৌরিবা কত্তোয়দো মহাকমুক ভকপা অনিসুদে। মরমতুনা ননাওনা নোকপাদ অঙকপগী খুনোক্সি য়াম্বুং।

রামনা— তাওনে ইনাও লক্ষন, " রাম ঐসে নাবায়োম্নি কায়বা কত্তোমনা থংদে। অহূগা ঐগী ইথোংসে উবদসু মীনা হায়বা হত্তোয়না তাব তৌখিদে। মহাক্কা ঐগী থোংসে উবদা মহাক্কী য়েরুবা লিম্নি থবদগী কিবনি। মরমহুনা লক্ষন মসিদা নোকনিঙাই মরম থোইনা লৈতে।" সংসারদা লৈরিবা জীব খিবিকসে মানা মানা ন্ংজবা, পামজবগী মতুংইন্না ঈশ্বরনা থৌজানবিবনি। রাম ঐদি ভক্তশিংগী প্রেম্মা খুহুম চনবনিদো। অহূনা রাম ঐবুদি ভক্তশিংগী প্রেমগী লিচিংনা কনবা রাম্মা

কেলিবনি। তীর্থ ভ্রমন তৌজবা, দান তৌবা, সংকীর্তন কৎচবা, হরিমন্দির কৎচবা হুগোয় হাশ কৎচবা খিদিক পুক্লিং চুমথরবদি অহৌরখ্রনি। পুক্লিং চুম্না নিংঙ্কবদগী লৈশবা প্রেম লাক্কই, প্রেম-দগী ভাক্ত লাক্কই, ভক্তিদগী মরানখুম্ব অমসুং পামজবা লাক্কই। মখা তাওক্লক্ষণ — মীওইনা এই খায় দ মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, অতিয়া, লৈবাক মঙাসিনা শাবনি। মৈনা মৈগী থবক, ঈশিংনা ঈশিংগী, অতিয়ানা অতিয়াগী অমসুং লৈবাকনা শরু, তোং, উন, ঈগী থবক পুরি। নুংশিংনা থবক মথল তহুম থোক্লা পুই। জীবদা চিংশি বা হু কৌবা স্বরনি, জীবগী হৃদয় লৈচনা শিডিঞ্চনা ব কৌবা স্বর্বনি, হোমদোকখিবনা সো-কৌবা স্বরনি। জীবগী শরাঙ্গনা জীবনা চংলমদাইদা ক — দা তোংহনা চংডি অতুগা জীবগী কাননবা চাবা, ভুম্বা, য়েংবা, তাবা, হাওবা থুম্বা, থাবা, শিম্বা, ককপা, তু না শকপা খিদিকসিংগী মপী ওইনা পাম্বি। অতুগা জীবনা শিরম্নদাইদা সো কৌবা স্বরদা তোংহনা চংথখিগনি, লাকপদসু নুংশিংতা তোংহনা লাকপনি ব নুংশিৎ হায়বাদ স্বরসে থরায়গী শাদোং হায়বাদি বয়হে রি। থরাঙ্গদি ইতোপ তোপ্পা ঈশ্বরগী অংশ মচেৎ অমনা জীবহুগী থরায় ওইবনি। মহাকবি মতুং মতৌ লেত্তে, মঙাল্গী মশক্তি মহাক্তি নুংশিৎ কাওবা লৈতবা মকমদা লৈবনি। কাম্বনা প্রহ্লাদনা মপাবুংদা হায়খ্রবনি। অতুনা নুংশিৎনা জীবগী থরায়নি হায়বরসু মতু ওইরোই; অপাম্বা, মিহৌবা, করাম্বা, য়েংখিবা, অশাওবা, মাগী পুক্লিং থংবা, শুদ্ধ্বৎপুনচিংবা থৌরাংসি নুংশিৎনা নত্তে, ঈশ্বরগী অংশমচেৎ অমা জীবদা চংহনা

লৈবাক্কী মহাকবী [illegible] অহুম [illegible] শিনা অমেহ্ননি। বায়ু পুরান, ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরান, ভাগবত, জীবসংহিতা [illegible] মসেক শান্না য়াওখিনি।

অহুম্না, মীওই ঐখোয়গী [illegible] মনিং থুংহবা ওমখিদে। অমসুং পৃথিবীদা লৈরিবা মীওই খিবিকসে সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর, অমসুং কলিযুগ কাওবসিদা [illegible] মনিং থুংহবা ওমখিদে হায়বা য়াই। ত্রেতা যুগগী [illegible] অহুম [illegible] মনিং থুংখিদেদো। মনিং থুংহবগী [illegible] সিদা [illegible] অমা লৈরি।

অহুম্না সংসারদা মীওইবা ঐখোয়দা ঐগীনি ঐগীনি [illegible] তাকহনবিবসে [illegible] তানগনি। [illegible] [illegible] [illegible] তৌদবা য়াদে [illegible] অচুবদা [illegible], খোয়া কৈ। [illegible] তৌবা, মীগী মাংনবা তৌবা, [illegible], [illegible] পাপতা লাংকখ্রি ; অহুম্না [illegible] খিবিকতা [illegible] কাওবা, [illegible] নাম [illegible] কৈ। পৃথিবী [illegible] তৌহুম্না লৈজরিবা মীওইসিংনা পুরিং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible] অকিনা হায়রি— "হে [illegible], মীওইশিং [illegible] [illegible] তাওহুম্না ঐগীনি ঐগীনি [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]। অহুম্না ঐদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] য়াওদে

মহাকী ভাক্তন অহুনা শ্রীচৎন্দা কৎচরি। তোঙ্গবা মনাইনা ভিক্ষা ফমহংবি মিতকে। অসিদগী হৌরকুনা থর্বাংবা হকচাংগা কাম্বনমহাই কাওবতদি শ্রীচরণদু কাওহন্নবিবগা পীরবীয়ু হে দয়াময়।”—

অহুনা শ্রীশুইবা ঐখোইসে মথংকী বাবীশিংসি খঙদি তাক্কা চৎপা থৈ— হে ইনাও লক্ষ্মণ অসুম্মা হায়রি শ্রীরামচন্দ্রনা।

* ** *

ধর্ম্ম দিকবিজয়ী স্বামী বিবেকানন্দ

খ্রীষ্টাব্দ ১৮৬৯ চংগী জানুয়ারী তাং ১২ দা কলিকাত্তা শহরগী শিমূলিয়া হায়রবা মফমদা বিবেকানন্দ পোকখি। মহাকী মপোকপগী মিং বিশ্বনাথ দত্ত। মহাক্ শহরগী য়াম্না মশিং চংলবা উকিল অমা ওইরম্মী। বিবেকানন্দ অঙাংগী চহি মতা তরদা মপাকুং নোঙাখি। বিবেকানন্দ য়াম্না ক্লাসনা বি এ পাশ তৌকখি।

বিবেকানন্দনা মহাক্কী তৎদা চৈপা মশিং চংলবা মহাকালি ইমাগী মন্দির পুরিবা শ্রীরামকৃষ্ণ পরমহংস কৌবা ব্রাহ্মণ পণ্ডিতকী শিষ্য ওইরুরা হিন্দুগী ধর্ম্মশাস্ত্র, শিক্ষা নিয়ম, পূজা অমসুং শাস্ত্র মুক্তক থং হৈখি। লৈবাক লোইনবা অতোপ অতোপপা ধর্ম্মগী লাইরিক হায়রবদি বাইবেল, কুরান, গ্রন্থ বৌদ্ধ, শিখ, জৈন ধর্মচিংবা পৃথিবীগী থং শাস্ত্র শিক্ষা মক পুং

ওইবা তত্ত্ব, উপদেশ অমসুং নীতি নিয়ম লোইনা খংজবি।

"বিবেকানন্দ মহাকালীবু নিংজবিদৈ মহাকালী ইমাগী মঙাল্লা অঙকপা শৈরেং—

ওঙ্গি-মমী উমদুনা থংগংতা নমিং নথা তম্নীবি পলেম মঙ্গী অতকপা শাগৎলমমি। মুত মুগথা কুচুনদি পুমলং লং, শমলাংনাদি কৌরকা কা. মিংনা কোইরাও তকেশং তাং, নবেনা শাংনা তিংখোকলীবি, মীগী মকোকনা লিক্লাং পকেং উইহুনা তকী লৈতেং-বু ওইবিবী, উলঙ্গিনী ওইবগা মীগি পায়োমতনা খুংগী লৈতেংবু হাপলীবি। খোংদা খোংজি শিজলী, খুত্তা থাংশাং পণ্ডবিগী সকত্র বাবনগী মকোকসু পাইরদো। অমং থৱিমি মনিং মথা তথিনি তইরংনা থ-কুহৌখো মতাওগ ইমাগী চরন খুদা শিব শিব মহাদেবসু থমহনা ডানখোকবিদো মাবি-কাদা মহাকালী যিংলেনতবু লৌরহনা, ইমাগী প্রেমগী থৈচাক্লা অপাখয় খাদোকলে, নিংজবসু তোকচরে, খাদোকলেদো হাইবং মায়া আশাদো। পলেমতবু কৌকখনা ঐগী খোল্লাংজবনি; খ.ম্ম ম লৈকোন কাঘেথে। পলেমনসু তাবিদে, অবাবনা লংলা ওই মুংশিবনা নুমচন ওই, প্রেমগী থৈচাক্লা লৈবাং পরেং ওইহুনা ইমাগী খোঙল তোজবি, প্রেমগী লৈবাং কংচবি চিংনদনা লৌবিয়ু।" —অমুম তৌনা বিবেকানন্দ মহাকালীবু য়ায়া কর্না নিংজবা মীওই অমনি। খ্রীষ্টাব্দ ১৮৯৩ ইংদা পৃথিবীগী মহুংদা চৎলিবা, নিংলবিবা, শোমবিবা ধর্ম তোঙান তোঙানবসে অকা কত্তা, অচুম অৱাব তাংনগনি হায়রিবা আমেরিকাগী শিকাগো শহরদা ধর্ম সম্মেলন অমা তৌরি।

বিবেকানন্দবু হায়রিবা শ, অলোকখা মকৈ য়াবি। অহৈংসিবা ধর্মনেতা শিখিবা সমনরভা ওইনা পুংসিগ [illegible] কাংলুপকী মচুংদা থাকোইবা মতমদা বিবেকানন্দবু [illegible] অমত্তা মতম খরা শীবিরি। চৈখন্দবু বিবেকানন্দগী [illegible] চাওখিবা ধর্মনেতাশিংনা "আং ভাও. মমাং পুরুষ [illegible] তাকখৈ, কেতেন নিজমঙদোক" হায়না য়াওমাঙ শিঙিবকা। "আমেরিকাগী হংসিকতবা ইচিল ইনাও শিং, ঙিনবিরিবা, পৃথিবীগী মপুং পুর্নশক্তগী লাক্লিবা ধর্মনেতা ওইরিবা অমসুং ঈশ্বরগী কৃপা থোকানবগী লোয়নবা শক্তি মঙাগী রূপুং কারবা [illegible] অমপু মপাং খিবিকী মকমদা [illegible] লাকচরিবা, পদুমখ্রা কবিগু কৈবখা নবা [illegible] মতম খুদং [illegible] অতোন অংগোম খিবিক তাকপীবু [illegible] [illegible] [illegible]। বিবেকানন্দগী মাঠে আস তাবদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অকবি। বিবেকানন্দনা য়থা তাবহুনা [illegible] [illegible] তৌখৰকই— খ্রীষ্টানশী বাইবেল যাওবীবা খিবিক বাইবেল পাইবীবু অহগা চানবীহনা [illegible] হে-বনম পাইবীবু। অহওবা অমাং কেৎবীবু [illegible] ৭২ [illegible] পদেং [illegible] [illegible] বীওনা [illegible] পাওতাক হায়রিবনি। [illegible] [illegible] ৮৫ দা পদুং অহব [illegible] [illegible] কেবীবু, বীওবা [illegible] [illegible] চৌরোইদবনি হায়রি অহগা অমুক চেপাম ১৫৮ শী [illegible] [illegible] নবগী বীওনা [illegible] [illegible] পাংতাক [illegible] হায়রি। [illegible] খৌদা বাইবেলগী নতো [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] পৃথিবীগী মক ওইরবা [illegible] [illegible] পাংলৌ, পাওতাক,

উপদেশ, অফা-ফত্তা লোইনা চিথবা লৈতনা হায়দোকলে। ময়াম পুম্নমক ওমথৈ লৈতনা ওক্নখি। অদোমাইবদা, হিন্দু ধর্ম্মগী ঋক, শ্যাম, যজু, অথর্ব হায়রিবা বেদ মরি অমসুং বায়ু পুরান্দ অসি হায়রি, ব্রহ্ম বৈবর্ত্ত্য পুরান্দা অসি হায়রি, গরুড় পুরানদা অসি হায়রি, রামায়নদনা অসি হায়রি, মহাভারতদনা অসি হায়রিদো, গীতাদনা অসি হায়রি, শ্রীচৈতন্য চরিতামৃতদনা অসি এসি হায়রদো, ধর্ম্ম তোঙান তোঙাবা শিংসিগী অকবা নিত নিয়ম, পাউরো পাংতোক অমসুং উপদেশ শিংসিগী মতুংদা করম্বা ধর্মগীনা ফজবা হেল্লী— তিনবিরিবা অথং অহৈ ময়াম্না য়েংবীরু, থম্ফীয়ু, বিচার তৌবিয়ু হায়জরক্রবদা ময়াম্না চপ মরুনা হিন্দুগীনা "হেল্লি হেল্লি" হায়না শৌগংথরবনি। পৃথিবীগী ধর্ম্মক্ষেত্তো অপুনবগী য়ামবা মতুং অমা ১৮৯৩ ইংদা বিবেকানন্দ গোলদ মেদেল পিখী। বিবেকানন্দ খুঃ ১৯০২ ইংদা জানুয়ারী তাং ৪ দা লোংগাখি।

— 00 --

কবীরগী মবুকচেল

কবীর হায়বা মহাপুরুষ অসি মপানা হিন্দু অদুগা মমানা হিন্দুগী ব্রাহ্মণ অমগী লুখ্রবিনী। মহাকপু য়োকচখিবনা পাজন মচা পোকতবা অমনি। মশাগী চহি তরানিপান্দা ইসলাম ধর্মগী কোরান সরিফ তম্বা লোইখি। মতমসিদা মহাকপু য়োকখীবা মপা অমদি মমা শিখি অমসুং হিন্দুধর্মগী ধর্মগুরু রামানন্দদা হিন্দুধর্মদা দীক্ষা লৌজগে হায়রকপদা রামানন্দনা য়াবিখিদে।

নোংমদি রামানন্দনা অয়ুক অঙনবদা স্নান লাকপদা থৈগাক থৈনা কিপতুনা কবীরনা থৈরদো উতৌদনা কাওকরে অমসুং খংলদুনা মচিন্দা রাম রাম শোনখি। মতুংদা কবীরনা হা – গুরুদেব, রাম রাম হায়বয়মগা চেনখে। কবীর ইসলাম ধর্ম থাজবদগীসু সেবক য়ায়া লৈরম্বী অমসুং ভারতবর্ষগী মসজিদ শিংদা কোয়না চৎতুনা নমাজ নচিংবা তৌখি। হিন্দুধর্মদসু তীর্থ থুদিংদা চৎতুনা ভেক মহোৎসব বৎচে অদুগা হিন্দুমচা সেবকসু য়ায়া লৈখি।

কবীরগী মওংসি উবদা গুরু নানকনা য়ায়া শাওনা তাথি তাথিনা হেক হেক ভাংডি। মতম থরগী তুংদা নানক নোজাখি তাবদা কবীরনা কাপালী মরায়া হংবদা অদুম্না হায়খি—

শ্লোক-- " নিন্দুক নিচারা ভালা আদমী মীত মীত মে না ধুমেঞ্জ, নিন্দুক নিন্দারাম্বর গিরা তিসী বিন্দুকে বোর "
অর্থ --- ঐহাক নিন্দা তৌবা মীদো লৈবিউচ দি ঐসে মোৎচবা ওয়াংগ মর্ম্মখি মহাকনা হেক হেক শেংদোকপী। লৌকিক মতাক শিরবনিনা ঐগী অমোংপা কনানা ওবিগনি।

কবীর গুরুনিগী তু দা আরব অমদি মসিনাদা নামাজ খুররা চাকনি, অহুথুবা তাংখ অহুথুব। মুমিন্না থুংলগনি অমসুং থুংবগী ইরাক মুমিম্না মসিদংগী নামাজ ঘংদা মমাম উমবা পাম্মী হায়না চিঠি পীখ্রে। কবীরনা মসিদা চংতুনা হায়রিবা ইরায় মুমিন্না নামাজ লে মংগা মচায়া লাকপা নোংচুপতা খোং ওন্দুনা কিক কিরাং কুপতুনা তুমদ্দী। নামাজ খুরষা মমায়া কবীরনা কুংগ ওৌবকই। কবীরনা করি তৌরে, মমায়া শাওবরু চংলে। মমায়া— মখোইগী মায়রোমদা করিগী খোং ওায় শাওনা লৈখি। কবীরনা— " এ - এ, ঐ খংদহনা ভৌবনি, ওরাংতা ভাবুতগী লাকপনি, শাওবিগনি। ঐগী খোংসে লাই লৈতবদা খরা থম্বীরু।" তৌহওমসুং আরব খিন্নিকা থম্বা ওমখিদে। খৌদোকসিগী মতম থরনি তুংদা কবীর নোকখি।

কবীরনা নোকখিবা মতুংদা হিন্দু অমদি পাঙল সেবক মমায়া কু চন্দনা চুমা থয়ে। মমায়া ভাইহাক কপনরগা পাঙল মচানা কুমগনি, হিন্দু মচানা মৈ থাগনি হায়না থংনবা হৌনরকই। অহল অমনা মতমসিদা কুদা কিনা কুমা কি হায়দোকখি। অমুরু অওকপনি। কবীরগী মশা লৈবমত্রে লায় ভাকতা লৈরমলে। মমামদা অহলহনা মেংজহৌরো লাও'

হায়রূনা কৌশিল্লি। মরোকপু ওকলে। মরাদা বাথল থৌঅবদা — মানা মানা পামজবা ত্রৌ শায়বনি থমহূনা লায়রু খূজোক খূজোক য়েংখি।

মহূগী অর্থদি— মৈ থাবা, থাদবা চপ মমবনি, পুক্নিংতা চুম্লগা লোয়রে সিান।

** ॥ **

যুধিষ্ঠিরগী ধর্ম্ম পরীক্ষা

যোম নিংথৌনা যোম লৈপাকতা তারে, হূবাপুর যুগতা হস্তিনাদা লৈবা পাণ্ডু নিংথৌগী মচা নিপা অহল যুধিষ্ঠিরবু চুম্না যুধিষ্ঠির রাজা হায়রহূনা ধর্ম রাজা যুধিষ্ঠির হায়রগদি য়াম্না কনমবা নিংথৌনি। ধর্ম্মচা মতিককানা তৈরাবদি কৈদো নত্রবদি রোম ঐস্ক য়াওনা দগা তাগনি। নিংথৌল হায়রবসে থবা লুই, মরমদি মমা কুন্তিনা মচা ধর্ম চেনবা অমতং পোকচগে অহূদি কনাদগী নিংথা ধর্ম চেনবা ইচা ওইগনি হায়না কুন্তি থনজখি। ধর্ম লৈবদা নিংগা ধর্ম চেনবা লংগনি হায়না কুন্তিনা চেৎনা থাজখি।

জগৎ মপু ওইরিবা নারায়ণমা লাইং মগামদা মহাক মহাক্কী শিক্ষা পিবদা অশিবগী তাক শেমবা শাসোন থৌনরা কর্মগী মতুং ইন্ন। অবাবনু ওইরবনু মুডাইবনু ওইরবনু মানা মানা

থৌজবকপাম্বগী চপচানা অবা-মুত্তাই পীবিনবা বাবেন থৌনাপী লুচিংবা ওইনজবসে কনা ওইহনবিরে হায়না থল্লকপদা ব্রহ্মা, বিষ্ণু, শিব, ইন্দ্র, কুবের, বৃহস্পতিনচিংবা লায়শিংসে লৌরিনা শেনজা থুকজা পাপী হায়বদি মখোয়দা হায়জবগা নোনজবগা তাকপীনু হায়বনী। অশিবগী বিচারদদি মরু য়াম্বোই, য়াম্বা অকায়বা লাকনি। অদুনা অশিবগী বাবেন নিংথিনা থৌনবগীদমক নারায়েংনা য়াম্বা থস্বগা যোম ঐবু থাজহনা লুচিংবা নিংথৌ কপ্পীবনি।

বাখী লৌথুনসি কুম্ভুনা তারদুনা যোম নিংথৌনা লাই পুম্মকতগী ধর্ম চেনবা অচৌবা লংয়নি থন্দুনা যোম মাত্তোন্দা লৌজহনা পোকখিবা যুধিষ্ঠিরনি। কলিযুগদা ধর্মগী নিংথৌ ওইবদা মতিক চারম্লবদি কৈ নত্রবদি যোম মহাকন্ন দশা ফংগনি থন্দুনা মোংম্বা যুধিষ্ঠিরগী ধর্ম পরীক্ষা তৌবা লাকখি।

পাণ্ডব মচিন মনাও মত্তানা যোন্দা চহি জরানিথোই লৈবগী অরোইবা চহিগী অরোইবা মুমিংনি। পাণ্ডবনা লৈবা যোমহুদা মায়গী চাওরবা পুন্সি অমা লেপখি। ঈশিংনা পুন্সিদো চোয়াথদ্লিং থবো থবাল নিংথিনা পাংহনি, মপান্দা চাওবা উপাল অমদা যোমনা উরোক কৌবা উচেক অমুনা লৈখি। অসোমদা পাণ্ডবনা লৈজবিদা কেঅদা ঈশিং মরিক অমত্তা লৈহনখিত্রে। পাণ্ডব মত্তা অমদি দ্রৌপদি ঈশিং য়াম্না থৌরাংখি। ঈশিং থিবনি হায়দুনা অহানবদা দ্রৌপদি, সহদেব, নকুল, অর্জুন, ভীম মথং মথং কোয়না চৎদুনা লোৎবদা থিবা ফংখিত্রে। অকোনবা যোমগী মায়াগী পুন্সি থেংনবে। ঈশিংদুং

ঈশিং থাক লৈবদা উরেক্কী মকতমদা উপালদা লেমলিবা যেমনা— "তাইখো তাইখো" ঈশিংদো থকপা হায়বোই, পুবস্থু য়ারোই। বাহং থরা লৈ— করি হুনগা ১৯ চপচানা দুবা থুরবদি থকপা, পুনা য় গনি নত্রবদি অরাবা তোগই কাইনা লাওকপদা মখোয়না খৌনাদতুনা খোনাবনা লেনখিদুনা ঈশিং থকনুবদা মথং মথং তৌদুনা মখোয় মওা ঈশিংদা তাংতুনা শিথি।" ঈশিং থিগা চংথিবা পুময়কনা হন্নকতনদা যুধিষ্ঠিরনা দ্রৌপদি অমদি মনাওশিং অদুক থিজবা লাকপদা মখোয় মচানা ঈশংদা তাওতুনা লৈরমবা উবদা যুধিষ্ঠিরনা অমময় কোন্দুনা কপচখি। মতমসিদা যেমনা হংজকখি— "ঈশিংদা শিরিবা মীশিংদু কোন্নতুনা কপলিবা নংবু কনগনো, শিরিবতুনা নংগী করি লোকই?" যুধিষ্ঠিরনা— "হা উরেক, ঐসে পাণ্ডু নিংথৌগী মচা যুধিষ্ঠির কায়বতুনি। মরিসিনা ঐগী ইনাওনি অদুগা দুপীসিনা ঐগী তাদোংনি। যেমনা— "তাও তাও যুধিষ্ঠির মখোয় মচাসি ঈশিং থকপা লাকপদা ঐনা বাহং থরা হংগে, করিগুম্বা মতিকচানা থুরবদি থকপা য়াগনি নত্রবদি য়াংবোই— অরাবা তাকলি হায়বগা খৌশাদনা ঈশিং থকউবদগী মরুনই শিজবনি। অদুনা যুধিষ্ঠির নংমু তাক্লিবাসনি, নংমু অরাবা তাগনি।" বাহৈশিংসি তারবদা যুধিষ্ঠিরনা— "হা- উরেক, নংগী করি বাহংনো?"

উরেকনা বাহং হংবা হৌই—

শ্লোক— কাক্সো বার্ত্তা, কোনশ্চা, কিমাশ্চর্য্যং, [illegible] — যুধিষ্ঠির।

যুধিষ্ঠিরনা— ক্যাক্সো বার্ত্তা হায়বসি অদুবা পাও হায়[illegible]

কনাবুন্দো ক্লায়বনি। অথবি মীওইবা ঐখোইনা হিংজিদৌদা হায়ুক্লিবা পাওসে অচুবা পাও কৌদে। মসিদি মায়াগী সংস্কারদা লৈবদং হায়র্দ্রে। হয়েং শিরমদাইদা থাম্বক্কেকোয় লংদাম্বীমা অহুমক্কা বৌরকপদা অহুর তবগী বৌন্দা শোয়দনা শিগমি অংগী পাওইবু অচুবা পাও হায়র্নি। কোপম্বা হায়বদি অচুবা কন্বীনি। মীওইবনা হিংলিদৌদা চংনবিবা লম্বী সরকপু নক্কে, মহুনা অচুম্বা ওইরোই। হায়েং শিরগা চংকদৌবা লম্বীদাবুনি। শিরগা চংকদৌবা লম্বীস অনি থোকই— পাপকী লম্বী অমসু পুণ্যগী লম্বী। কর্ম করগা পুণ্যদা অহুগা কর্ম্ম করগা পাপবী লম্বীদা চংপা তার্দ্রে। বিমাচার্য্য, হায়বদি অচওপা হায়র্নে। মহুদি অসিনি— মীওইবা পুন্নমকসে পোক্লন্দি নোংমা শোয়দনা শিগনি। থংহৌদনা থ নবা মীকুপতা শিবসু য়াই হায়বাস হেক কাওথোকতুনা অমর পদবী ফংবগুম্বা হো বন্দি অহু তৌগে, কয়ে দি অহু পাংথোক্কে, নোংমৈদি অহু শাগৎকে হায়না মীওইবনা তাংনবিবজিনি থুইদগী হেন্না অশুকপদি।

উবোয়া- "চুম্ম চুম্মে হে যুধিষ্ঠির। নংসে ঐনা য়ায়া য় শিরে অহুনা ননাই মকিসিগী মনুংদা অমথকতি হিংকনবিরগে অতৈদি ঐ ওয়োই। মরমহুনা হাঙ্কু [illegible] হিংকনসিগে?" যুধিষ্ঠিরনা মমোন্দা থনৈজ— সহদেব, নকুল অনিসিগী [illegible] অমা হিংহনলে উবোয়া পংথোক্লকো থমশিনি। মরমদি [illegible]ভীম, অর্জ্জুন অনিসিদি মরাম তিরৈ অহুনা মতম অমদা কণ্ডবদা মীনা লাকচা পুহুম চনবা থোকপদা কনাদনো ইয়াথবু হাঙ্গনা।

ভীম, অর্জুন অনিগী মরকতা থংবু হিন্দরদি মীনা কিখোইজ্রা। অমত্তেংমদা, নকুল সহদেব অনিসাদ অত্তোবীনা পোকপনি, মীনম্ব কীবোই অহুনা বনাবু হিংনবা পাম্মী হায়ু হায়হনা উত্তোক্কা হংথি। যুধিষ্ঠিরনা— "নত্তে নাত্ত হে উত্তোক, নতাক্কা হায়রিবদো। তাইবং মায়গী লাংদা তাওহনা শানবগী বানি। মহু ঐদি কয়া পামদে, ভীম অর্জুন নত্রবম্ব ইমা কুন্তিগী পিংতান কয়েং কংচবদা ইমানা হয়াওনা লৌগনি। অহুগা ইমা মাদ্রিদি ঐনা কংপদো লৌগনিদি হায়ববু মক্কা পোকচবা নকুল, সহদেব অনিনা কংপনা হেন্না হয়াওনা লৌরেংইজ্রা হে উত্তোক! উত্তোক্কা- "অহবুদি চুন্নি"— হায়রকই। যুধিষ্ঠিরনা উত্তোকতা নকুল নত্রগা সহদেবু কিংহনবিয়ু হায়জবক্রবদা উত্তোক্কা পেনথ- হনা— "ধন্য ধন্য, সাধু সাধু হে যুধিষ্ঠির। চুয়েদনা, তাইবংদা নহাকপু ধর্মরাজ কৌবদি, মতিক চাহে। যুধিষ্ঠির উত্তোক ঐসে কনানো থংব্রা?" যুধিষ্ঠিরনা— "থদে— হায়রকই। উত্তোক্কা— "ঐসে উত্তোক নত্তে, যোম হায়বা মিংথৌনি। নংগী ধর্ম পরীক্ষা তৌবা লাকপনি। অহনা ঈশ্বরগী মরমদা চৌথাকপা ব্রত মখিবু লৈবনি। নহাক ব্রত পালন তৌনা তৌব্রা? করবা ব্রত পালম থাকদগী অহেনবা ব্রতনি থংব্রা?" যুধিষ্ঠিরনা- "ব্রতদি মখিবু তৌনা কংচৈ অহবু বয়মনা অথোইবনি থংজদে।" উত্তোক্কা— "ওসি নংগী ঐনা উমরিবা শুমিংত্সি কাওগনু। বকপকোক হায়বা [illegible]মিংনি। মৈরা অমমং মাংদৈ [illegible] লৈবা তৌনা [illegible] বকপকোক ব্রত কৌবনে। [illegible] অথোইবা [illegible]বা" হংজরকই। যোমনা তাকশিনকই" তাও

ধর্ম লৈরবা যুধিষ্ঠির। জীব থিবিকতগী উৱোক্রা পাপ চেনবা হেল্লি। মরমদি উৱোক হায়বসে জীব হাৎলগা চাবা নত্তনা মথোয়গী মচিনজাক অতৈ লৈতে। নোংডানবদগী মুমিৎ তাবা কাওবসি পুল্লি চুপ্পগী ওইনা জীবতা হাৎপনি। পাপ শিংহ কোকনবা নারায়োনগী য়াথং মতুংইন্না যোম এৈনা মথোয়গী মুক্তিগী নুমিৎ ওইনা চহি অমগী ২য়ু.দা ডসি মেরা য়াওথৈ লোম্নবদা থোক্লিবা শুক্লা একাদশী নুমিৎসে ঈশ্বরগী মকমদা ব্রত কৎচবা অথোইবা ব্রতনি হায়বসি উৱোক পুন্নমকতা তাকপীগে.ক্যা৷কপনি ন'সু খংবহৌবো হে যুধিষ্ঠির।" অসুম্না যোমনিংথৌনা যুধিষ্ঠিরগী মনাও মরি অমসুং দ্রৌপদীবুসু হিংহনবিথি।

— ০০ —

অনি শুবা তাংকক

চণ্ডীপাঠ

দূর্গাগী শায়োন

গুম্লিংবা শায়োনতা হন্দুনা জগত্তা ননীং তম্লিবী,
বিজুয়া কৌবা লৈবাকতা চণ্ডিকা দেবী কৌরবী,
নরসিংহদনা কালিকা, ব্রহ্মগুলোকতা ব্রহ্মাণী,
কৈলাসতনা ভদ্রকালিকা হায়না কৌরবী,
ইন্দ্রানি কৌইদো ইন্দ্রলোকতা, বৈকুণ্ঠনতো বৈষ্ণবী,
গ্রামদনা জ্বালামুখী লানফমদনা উগ্রচণ্ডী,
শশ্মানদনা দীগম্বরি বেলুপর্বতনা কামাখ্যা,
রামচন্দ্রগী সেতুবন্ধনদনা রামেশ্বরী কৌখিদো,
লংকাদনা উগ্রকালিকা উর্দ্ধদেশতনা বিস্তীর্ণং,
অস্তদেশতনা নিপাথিবিকতগী অথোয়বনি হায়হনা বিমলা
হায়না খংনৈদো।
মলোয়া কৌবা দেশতা শা – তোংঙি হায়হনা সিংহ বাহিনী
কৌরিবী—
মগধ দেশতা মহামায়া মিংলনবু লৌরহনা তমথিরবা
মহিশাসুর মাংহনবীখ্রবী,

মধুর'দা মহাদূর্গা, নীলপর্ব্বতনা সারদা, দ্বারিকাদনা মহাকালী ব্রজদনাকত্যায়ণী, থায়োমদনা পরকাদেবী, অরাংদনা চতুর্মুখী, নোংচুপতনা চপলাদেবী, নোংপোকতনা কোবয়াম শিবী হায়না খংনৈদো।

স্বর্গদনা বৈষ্ণবী, পতালদনা ভূবনেশ্বরী কৌরবী শায়োন য়ামবী লৌনমচাণ্ডবী হা-পালেমও খুকুমজরি নমাইনা ইমা নংগী শ্রীচরন্দা।।

*　　　　**　　　　*

দূর্গাগী মতিক মগুন

ত্রিভূবনবু খুতুম চনবা ঙম্বী, মম্বাগী শক্তিনা জগৎপু শুঙ্কাংলিবী, অদ্যাশক্তি ওইরবী, ব্রহ্মময়ীসু হায়রবী জগৎমাতা দূর্গানি। মৈ, ঈশিং, অ'তয়া, পৃথ্বি, নুংশিৎসু নহাক্কি, অমম অঙান থায়বসু, অরা মুঙাই য়েনবসু নহাক্কি, বিধি বিষ্ণু রাধা লক্ষ্মী সরস্বতীনচিংবা জগৎকী জীববু শেম্বীবনি, য়োকপীবনি, জীবগী থরাই ওইনা শায়োন শায়োন ওনবনি, নিপা ওইগে ননীংনি, নুপী ওইগে ননিং নথা তম্বনি, অরা অনা পীহনা মীওইববু রাহনবীবা, ফত্রবা হিংচাবীসু নহাক্কী, জীবগী অরাবদগী কনবীরগা সাধবী বৈষ্ণবী ওইহনা ভক্তশিংগী প্রেম্না খুতুম চনবসু নহাক্কি। নিরাকার নিরঞ্জন, জীবনা তৌজবা খিবিকতা উবনি তাবনি খংবনি অন্তর্জামিম্নি। অযোধ্যাগী

রামচন্দ্রবু মুংশিবিবদগী জগৎনা লাক্লবা ওমদ্রবা রাবনবু বধ ওস্বনিদো থর'ইগী মশক ওইরবী হা - পলেম ও খুকাজারি ইমাগী চরন্দা, অরান অ:শায় ঙাকপীহনা য়াইফা মঙ্গল পীনবীয়্—

হয়া হয়' খুরুমজরি ॥

** ** **

রামেশ্বরীদা

তাবীয়্ হে ইমা রামেশ্বরী দেবী,

অযোধ্যাগী রামচন্দ্রনা, জানকী সীতাবু অরাবদগী বনবীরগে,
রাবনবু বধ ওমজবগে হায়না—
সনা থম্বাল চাম নিপালগা কে য়না
পলেম নংবু ঈরাং থৌরম কৎচরক্রবদা,
থম্বাল অমা মাংখ্রেদো—
রামচন্দ্রনা কোয়না কোয়না থিরকপদা
থম্বালবু লোৎতুনা পূজাবু কাইরগা
রাবনবু কল্পীগে নিংবদো,
থংখ্রেদো রামচন্দ্রনা,
রামগী পুক্কিং মুংশি মুংওনজখি,
মরালনা মপুং ফারবা রাবনবু কনবীয়্,
থম্বালতদি মশিং ওনা কৎচরমগে হায়হনা,

অরা মুংশি প্রেম্না রাজরবা রামচন্দ্রদো,
মিৎম্না থম্বাল অনিদদি ইপান থাগী তুরেদগুম,
গোমুখী গঙ্গানা ইহৌরকপাগুম্না,
প্রেমগী ধারানদি অতৎপা লৈতনা চেল্লহ্নুনা,
হিক্কা হিক্কা কপলহ্নুনা লিরুং তেঙ্গা থোংঙক্লে,
মিত্তা মিশান তম্লক্লে, মিৎপু সনা থম্বালনি হায়না,
পলেমদা কৎচগে থৌরাং তৌজবক্লপদা,
ইরানা পেনখ্ৎহ্নুনা রামচন্দ্রনা রাবণ বধ ঊমজবনিদো,
র মগী অরাবদগী কনবিথী হায়হ্নুনা,
পলেম নংবু রামেশ্বরী কৌবনি—
খুরুমজরি ইমাগী শ্রীচরন্দা ॥

** * **

অমুক্তদি খুম্নিয় ইমা !

পলেম নংনা জগৎকী মাতা ওইরগা,
উলজিনী ওইহ্নুনা মীগী পাম্বোমতনা
খুরাংগী লৈত্রেং কাপলুরিবা ।
সাধোবী বৈষ্ণবীনি হায়রগা মীগী মকোক্না
ওকী লৈতেংবু করিগী ওইরুরিবা ?
জগৎ ভগ্নিনী, ননিং নথা তখিনী হায়রগা

কনাবু কিহ্বনা, নমায় মমিং ইংক থক,
নশম ননা ইকা কা, মিংনা কোহরাও ভশং ভাং,
নরৈমা শাংনা তিংথোকভগা,
খুৎতা থাংশাং করিগী প্যাইরিবা।
অন্ত্যাশক্তি ওইরবী, ব্রহ্মময়ীসু হায়রবী,
জগৎ মাত্তানি হায়রগা, নচা গনেশবু
শামু মকোক্কা করিগী পাল্লুরিবা !
বিধিনা ভম্বনা অরেপ্পা ওইরবদি,
জন্ম পূর্ণেশ্বরী মিংথোংব
অরেম্বদা করিগী কৌকরিবা !
বর্মগী মতুং ইনবনা অচুম্বা ওইগনি হায়রবদি
করিগীনো ইমা নহাকসে অরেম্বদা ইরাংনরিবা !
থংজৈদো ইমা নহাকসে লৌনমচাওবিনী হায়রবা,
রাবনগী তপস্যাদা রাবনসু হুংশিবিবদগী
ত্রিভূবনদা রাবনবু লাক্কবিরবা কনাসু লৈখিদে
হায়রসে — জগৎ পুম্নমক্কা থংনখিদো।
রাবন্না থংশগী কোমনা মাংখিবদি ইমা নংনা
লংকা থাদে।কতুনা চৎখিবদগী নত্রদো ?
তোল্লবনা ইমাবু তোইনা তোইনা কৌজরি—
অমুক্তদি থুম্বীয়ুনো হা – পলেম ও ॥

ইমা হায়না থাগোনজগে

তেংবানবস্থু শেম্বনি, তাইবংসিগী মপুনি,
জীববু য়োকপনি, তোল্লবগী মরূপ্নি,
অমম অঙান থায়হনা, তাইবং শিন্থা পুহনা,
অরা — মুত্তাই য়েনবনি।
ওন্নিংবতা ওন্দুনা, মকম খিখিকতা লৈহনা,
তাইবং লীলা শান্নবনি।
নিপা ওইগে ননিংনি, মুপী ওইগে ননিংনি,
তেংবানবগী মপু নংবু পঙ্খো হায়নবু শৈদাশিরা!
পলেম হায়নবু তেংথানবশিরা,
ঈশ্বর কায়নবু কৌরশিরা!
তোল্লখা ননাইনা 'সুম থনজকবদা,
মীওইবাশিংগী থোয়না নকুবা মুংশিজবা মীংগোদি
ইমা হায়বা মীংগোনা মহেল্লি,
তেংবানবগী মপু নংবু—
ইমা হায়না থাগোনজগে,
ইমাগী নত্তিক নগুনদো
তাইবং শম্মা কোংজগে,
পীবিয়, তোল্লবদা খৌজানগী অরিকপু।

শিব মহাদেবগী পাওতাক

শিব মহাদেবনা থনজৈদো, ফজ কজববা ফিজোনবু শেৎতুনা
কেনা নায়া লৈরবদি-, ভাইনং মায়াগী লাংদা চংতুনা
আশাগী ঈপাক্তা লুপ্পতুনা, পাপতা লংজরকগনি।
মপুগী মিংথৈশু শোলহৌরবোই থন্দুনা,
কৈগী মউন শেন্দুনা, কোকত্তা জোটা পুহুনা,
বিভুৎতবু তৈহনা, লিননা খাংন্দুনা,
শগোলহিদাক মপানতবু চিনথনি, পুক্রিং চুপ্পা মপু মাবু
নিংজবগী ডমরু তাণ্ডবু থক্লনি, ভাংবু থক্তুনা
পাম্বোম বাংনা থাঙ্গৎতুনা বোম বোম হায়হনা,
কাম ত্রবা শৃষ্টি শৃষ্টনি হায়বনি, ভাইবং মায়া আশাগী ইপাবতা,
মীওইবনা ঐগীনি ঐগীনি হায়রিবদো--
কামত্রবা শৃষ্টনি হায়বনি, পুন্সিগী তেংজেন্দি লোয়থরবা,
থরায় হকচাংনদি কায়রমদাই, চিরবা রাববগী মতমদা,
কন্নাসু উবা ফংলোইদো, হরিনা ইমা ইপানি,
থরাইগী মরুপনি, পাক চাওববা ইথিন ইপোম কল্লবা,
ভক্ত ময়বা কিরবা বৈতরনী তুমেনদো,
হরি মানা লানথীগনি, হরিমাবু তোয়না শোল্লসি,
হায়রম্মি:দা শিব মহাদেবনা।

বিধিগী শণিগনা তমখ্রবদা !

বিধিগী শণিগী অমত্তনি, থৈন্নবা লৈতে হায়রিদো,
জানোকী সীতাগী অবাবা বিধিনা তমখিবনা
জগৎ পিতা রামচন্দ্রনস্থ ককচবা ঙমখিদেদো ।
দ্বারিকাগী কৃষ্ণনা শণিদা নিন্দা তৌকবদা
নোংনা চুপ্পা শাশং মহুংদা অবাবা কংখিদো—
বিধিনা তমখিবনা ।
অদ্যাশক্তি ওইরবী ব্রহ্মামায়ীস্থ হায়রবী,
জগৎ মাতা দুর্গানা, মচা গোণেসবু কজৈ হায়হনা,
শণিদা নাপন তৌকবদা, শামু মকোক পানখিদো ।
বিধিগী শণিগনা তমখিবা,
কনানস্থ ককচবা ঙমখিদেদো ।
বিধি শণিগী মফমদা খুরুমজরি ননাইনা ।

** শু **

বিধি নিন্দা

শুজা চংচা নোমজকবা খিবিকত্তা কান্নবা শরুকস্থ পিবিদে
বাজবনা মকেল্লি, বানা কারেদকো তায়বং কৈথেলসে,
করম হায়নবু লেল্লাসিগে ঐগী পুন্সিসে ।
ভোল্লবা তারববু থোইনা হেন্না অবাবা পীরগা,
দুঙাইবা ওইরিবা, করি পুকচেল কৌবগে !
ওনথোক্লস্থ খামল্লী নোংদম্বা নংগী পুকচেলসে ।

অহল মতম ওইরবদা !

অহলগী মতম ওইরবা মীওইবা,
ওসি ওসি, হয়েং হয়েং হায়হুনা হৌখিবনা
কৌজিকতি অহলগী মতম ওইরক্লেদো ;
অহাঙ্ভ থুম পু মক মং উ অরুত্তা য়াউখিত্রেদো,
তাবদা সুংশিজরবা মপু মা.ী কোলোয়দা
নিংখিনা তাগি:ত্র নাগী পাঙলনা শেংখিবনা।
কনজবমবা পংজলস্ হস্থ:থ্ দা,
লৈজরমবা লৌশিংগী মৈরাস্থ
মমি শামিরক্লেদো অহলগী মতম ওইংকপনা,
পল্লিগী অ:য়াইবা মতমদা,
ঐনা ঐনা হৌজরকপা কর্মগী মতুংইন্না,
অরাবনু কংলুবা খোক্রংদি, করিদি তৌ-তাই লৈবগে !
থল্লুনে থল্লু মুনা থল্লু,
অহলগী মতম ওইরবা মীওইবা,
খোইনা চৎপা লিলশিংনা কৈথুন চংবদা
চুম্না চংবাগুম্না, অহলগী মতমনা ওইরবদি,
রাথল কাকন থাদোকতুনা, মপুগী খুয়াদা চংহনা,
অরান থুবমতবু নিজবনা, অচুম্বা রাথল ওইগনি
থনজরিদো অহলগী মতম ওইরবা মীওইবনা।

— ০০ —

পুক্‌নিং ঋারকপা

হাদা পুক্নিং অপংবা কবি থন্দুনা নিঙাইদনা লৈরিবা।
পাম্পনা থল্লবা মীওইবগী মপোকনি,
মীওইবা পুন্সিদি থম্না থক্লী লাইজাগুম্মনি,
খুদোং খিবা অমদা মীওইবা য়াইবী মাংবনি।
য়েংবিহ' চল্লবা অগ্গাগী চেকুলাগুম
থম্মীরিদো মীওইববু মায়াগী লাংদা পুন্দুনা,
লাইজা ঈপাকতা ডাম্বু কওানা শাম্নবগুম,
শ মহল্লিদো আশাগী ঈপাকতা।
ঐগীনি ঐগীনি হায়দুনা, তাইবং লীলানা লোইখ্রবা,
ঐগীনি হায়রিবা মুং শরবা মায়াগী সংসারসে
কনানস্মু পুপা য়ারোইদো, হাদ পুক্নিং অপংবা।
অরোইবগী মতমদা পাকচাওরবা, ইখিন ইপোম কল্লবা
বৈতরণী তুরেন্দো লাল্লুগনি শোয়দনা,
অহবু— কনানা তুরেন লাথোগনি ?
হরিনামনা হিবু ওইরগা,
গুরু নায়া লৌরেনবু ওইদুনা,
কৃষ্ণনামনা হোনজগনি,
চুম্মা নিংজবনা হিমায় চুমগনি।

*　　**　　*

য়েংবীয়ু মপুগী থৌগল কুম্মেসে

য়েংবীয়ু য়েংবীয়ু, য়েংবগী মপেম্বা নাইত্রবা
মপুগী থৌগল কুম্মেসে,
অভিয়ংনা শাত্র ওইনা থৌগলি,
অমম অতান খাংহনুনা, মাংলেম্বা লৈরোংনা
লংলবা অপংবা কলেজা কিদা লৈচরি,
মুমৎ থানাহংবা শক্তিক থাদা, থবানমিচারা
ভান থংদবিদা বিজুলি শুম্না,
মপুগী লুহুপবী লৈতেংবু ওইহনা,
চাইজা ঈশিংনা কোয়না কোয়না চেন্দুনা
মপুগী চরণতবু শেংজরি।
মলয়া কৌবা মুংশিংনা
কিরি লিবিনা থৌগল হুমাইতবু হুমজরি।
হৈরাংগী পংকৈনা হৈথন নাইনা পান্দুমা
মপুগী চরণদা অংথনপোৎ ওইনা কংচরি।
ফুগাইনা শাংলবী লৈরাংনা মালংবা কুংতা
লৈনমবু হাপতুনা মপুগী মতিক মঙালতবু শোনজরি।
খোইমুগী শাগৈনা মপুগী কোলোয় শরুহনা,
কোইনা কোইনা পাইহনা,
মপুগী থৌগল অশোয় অকায় মেনজরি।
চেক্লাগী পংকৈনা কোয়না কোয়না শায়হনা,
মপুগী কোলোয়তবু শকচা শোনজরি,

তম্না কৌবী চেক্লানা তাম্নবদা লৈহনা,
তাম্ তাম্ হান্দুনা লাংবদি
পুক্লিং চুমত্রবদি, মপুগী চরণ তাযগনি হাম্নবনি।
হরি নোংনাং কৌবী চেক্লানা
নিং নিং লাওনা খোংবদ্রি,
নিংজো নিংজো, কল্লা নিংজো
মপুগী থৌজ্জাল শোয়দনা ফংগনি হাম্নবনি।
হাদ খোইয়ুম লাইদি লাইনিংথৌ
ফাজদকো নংগী থৌগল কুম্মেসে—
য়েংবগী অপেম্বা নাইত্রেদো।

** ** **

বন্ধু নংগী ব্রাখন্দা ভাওরদুনা

ভাইবং মায়া আশংগী লুমেন ব্রাংমদা বন্ধুনা লৈবদি,
চৎচনিংঙিদো বন্ধু নংগী নাক্ত,
ঐনা নংগী ব্রাখন্দা চাকপা মৈদি,
কানদবু পান্দমসিবা, কম্বিদবু চংদমসিবা।
বোনগী লাম্মৈ চাকপদি উবা ফংঙিদো,
থম্মোয়মুংদা চাকপা মৈদি কনানম্ব উবিদেদো।
বন্ধু নংনা ঐগী মরূপ ওইরবদ্রি,
ঐদি নংগী মরূপ ওইরোইত্রা !

বন্ধু ঐনা নংগী রাথন্দা তাওঁহনা
মুংশিজরবা মায়াগী সংসারবু থাদোকহুনা,
লৈতাং নংবা থিরু শেংহনা,
নমাবলিনা থাংনজরগা,
তুলসি মালা চোয়া চেয়া শিংহনদুনা;
দাইবক্তা ব্রজগী চন্দনা লৈথেংহন্দুনা,
খুৎতা তানপুরা পায়হনা
য়ুমথোং খুদং কোয়হনা
হরিনাম সিংনল শোল্ল শোঁহনা
দেশ বিদেশতা কোয়না চৎহনা লেনজগে,
বন্ধু নংগী রাথন্দা তাওরহনা।
পিরিয়ু বন্ধু নংনা থৌজালগী মরিকপু।

* * *

পোকপদগী লোয়নরক্লবা

পোকপদগী লোয়নরক্লবা
চিংদা কাসি কারবা,
পাংতা কুমসি কুয়বা,
ঐনা হায়বা খুদিংদা পাংথোকচয়বা,
মতম খিবিকতা ঐগী দমক রাজরক্লবা
মুংশিজরবা হকচাং ও!

ওসিদি মপুগী পাওনা কঁনখিবনা
ঐদি চৎপা তারেদো মপুগী নাবতা ;
লৈহৌরোকো চাম থোয়রবা মরূপস্যোয়,
লোইনজনিংঙি মফমখিবিকতা, অদুবু—
মপুগী বারেমা কনখিবনা,
ঐগী গন্তি লৈজদবে ।
লৈহৌরো লৈহৌরোনে মুংশিজরবা হকচাং ও
ঐদি চংলে, চৎলে ।

* * *

থম্মোয়গী চেক্লা

পাইথ্রবা থম্মোয়গী চেক্লানা,
নিঙমদত্থনা অমুক হল্লকপদা,
কায়দোংকম লৈয়মদবনা পোম্বী কণ্ডাওনখ্রে ।
থম্মোয়গী চেক্লানা কপ্পা কপ্পা হনখিদো,
হাদ থম্মোয়গী চেক্লা মুংশিরবা,
কয়ম্বা লমদমদা চৎকদৌরিবনো,
থংজনিংঙিদো হকচাং পোলাং ঐনা ।
চেক্লা নংগা তিময়িবৈদদি,
মুংশিজরবা মপুগী কোলোয় খিবিকতা
হাওরবা থুম্নবা পুম্নমক কংজম্মিদা ।
চেক্লা নংনা পায়খ্রবদি

হৎচাং পো. .ং ঐদি মপোংসিমগী
মাংভরে, .ংকংরদো—
হাদ থ.ম্ম .গী .ক্লা মুংশি.বী।

পলেম পম্হৌ অনিবু

খল্লু খল্লুবগা মুংশিজেদকো পলেম পম্হৌ অনিবু,
পুক্লিংদা কাওগে খল্লগা হেমক্রম মুংশিজরকই।
মপলেম ইমানা অল্লুবরা খনছকবদি,
ঐবু পোকপী পলেমগী বাথমা মরুমি।
অশিম্বানা মরাংলরববা থনক্কনবু,
পম্হৌ ইপাগী বাথমা মহেল্লি।
ভগবন্ত পুরানদম্ম হায়রিদো,
ত.ইবং মপুবু নিংজগে ঈরাংচগে খল্লবদি,
পলেম পম্হৌ অনিবু ঈরাংচো।
তাইবং মপুদা থৌনিজগে খল্লবদি,
পলেম পম্হৌদা নিংবনা অথোইবনি হায়রিদো।
তাইবং মপুগী মচেৎ মওান ফংলবা,
পলেম পম্হৌদা অরান অশোয় লৈথিবা
কনবীয়, ওাকপীয়, হায়না তোল্লবা নচানা
মমা মমা খুকমজরি—
মুংশিবিয়কো পলেম পম্হৌনা।

— ০০ —

মীতৈ পোকপী পলেম ও !

ভারত নোংপোক ওমখৈদা, নাইতোম হয়া শাৎলিবী,
নওয়া মীংলেন ভাক্লিবী, মীতৈ পোকপী পলেমি।
পলেমগী তম্পাকনদি পিকচবা, নপাকি নমোম্নদি য়াম্বনা,
লমহেন্বা নচানা কোয়না চৎপদা ভাখিগনি মতাওম,
অকোয়বা কিবান্দা লোয়রবী চীংনা ভাক্লিদো।
নচাশিংগী রান্দা চৈ কিমনতা শেৎচরবী,
নচাশিংগী থনবদা খুদংগী পিকমবু কংজরবী,
কুইনা মীথা পোলবী, লাইরবী মীতৈ পোকপী পলেম ও,
